লমাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুমশা কৈশারোন

(Architecture of the Visnu-Temple of Lamangdong)



অইবা ঃ বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্ম

অফাংবা ঃ বিঃ রোমন মেনুস্ক্রিপ্ত লাইব্রেরী, ইম্ফাল

খৃঃ ২০০০

BVP-1141-31/1/17

(ग्र) - 1105 - 15/21.

লমাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুমশা-কৈশারোন

অইবা ঃ বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

অফোংবা ঃ বি: রোমন মেন্নুসক্রিপ্ত লাইব্রেরী, ইম্ফাল
খৃ: ২০০০

লাইরিক্কী ৱারোল

১।	লাইরিক মমিং	:	লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুমশা-কৈশারোন,
২।	অইবা	:	বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল ৭৯৫০০১।
৩।	অফোংবা	:	বিঃ রোশন মেনুসক্রিপ্ত, লাইব্রেরী, ব্রহ্মপুর
৪।	লাইরিক মথুম অমসুং ফোটো	:	জিঃ সুশ্রী দেবী, নাগা মপাল, ইম্ফাল।
৫।	লাইরিক নম্ফম	:	নিমাই এণ্ড সন্স প্রিন্টিং ৱার্কস, পাউনা বজার, ইম্ফাল।
৬।	লাইরিক ফোংবগী মতম	:	সেপ্তেম্বর, ২০০০ ইং
৭।	লাইরিক ফংফম	;	রাজেস বুক স্তোল, গভর্ণর রোড মচীন সেন্ট্রেল লাইব্রেরী মনীঙ, ইম্ফাল।
৮।	লাইরিক্কী হক	:	অইবগীনি নৎত্রগা মচানুপাগীনি।
৯।	লাইরিক্কী মমল	:	লুপা ৫০/-

লাম্হোকচবা

"লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুমশা-কৈশারোন্" কৌবা লাইরিক অসি য়াম্না খঙ-হৈরে হায়দুনা ইজরুবা নত্তে, ভারত সরকারগী আর্কিওলোজিকেল প্রোটেক্সনগী মথাদা লৈবা লাই-শঙসি ইন্দিয়ানশিংনা শেরান্ননা লৌরিবা অমস্তুং লৌথিগদবা অদুদগী কন্ননবগী পান্দমদা ইজরুবনি। অসিগুম্বা লাইশঙ অমতা ইন্দিয়াগী লমখৈ মন্নুংদা লৈতে অদুবু মখোয়গী "আর্কি-ওলোজিকেল অমস্তুং হিষ্টোরিকেল রিমেন্স প্রোটেক্সন অমস্তুং প্রিজার্ভেসন গী মন্নুংদা লৈরবস্তু মনিপুরসিনা লমখৈ-ঙমখৈ ওইবা লমদা লৈবা অমস্তুং অপিকপা ষ্টেট ওইবসিনা মখোয়না কয়া থৌ-শা-ব্রাশাবিদে। মসিদস্তু নত্তে উখ্রুলগী খঙখুই গুরুংদা ফংবা প্রিহিষ্টোরিক ফাইন্দিং; সেক্তা, লম্বোইচাঙ, চৈরাওচীঙনচিংবগী হিষ্টোরিকেল পেরিওডকী ফাইন্দিংনচিংবা অমতা ইন্দিয়াগা মফম অমতদা ফংথিবা লৈথিদ্রি অদুবু মখোয় ইন্দিয়ানশিংনা খঙন-খঙন-মক থৌশাদে। মখোয়গী কোলোনাইজর বৃটিশশিংনা ফাওবা মখোয়গী আর্কিওলোজিকেল সাইটশিং অমস্তুং ফাইন্দিংশিং পুথোক-পীরম্মী, ঙাক-শেন্দুনা থম্বীরম্মী অদুবু মখোয়দি মায়কৈ অশোমদা পুক্নীঙ কয়া চঙদবগুম উজে। অদুবু ঈপোৎ মাঙথিগদবগী শরুক চেবাংগী লমায়দা তাদুনা লৈহৌরবদি তুংদা লাকপা কনানা খুনগৎ-পীরবা য়াই হায়বসিগী রাখন্দা/আশাদা লাইরিকসি ইজরুবনি। মসিদা অশোয়-অরান কয়া য়াওরম্বা য়াই, মদুশিংদু চুমথোকপী-রক্নবা, খঙজদবা ঐবু খঙহনবীনবা, মদুশিংদু চুমথোকপা ঙমহনবী-নবা খাই ময়ামগী মফমদা লাইরিকসি লাম্হোকচরি। অস্নুম্না চেদা ইদুনা লাম্হোক-ব্রাহৈ হঙ্ৎচবসিগীস্তু ঙাকপীনবা নীজরি।

অইবা: বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা।

4

লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুমশা-শঙশারোন
য়াওফম তাকপা

মশীঙ	হিরম	লামায়
১।	য়াহৌদোক	১— ৪
২।	বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুমশা-শঙশাগী মওং-মতৌ	৪— ৬
	ক) বিষ্ণু-লাইশঙসিগী মপানগী ওইবা মওং-মতৌ	৬— ৪
	খ) য়ুম্ফম-শঙফম	৭— ৯
	গ) শঙখোঙ-ফম্বাক	৯—১০
	ঘ) লমজঙ-শঙতপ	১০ –১৬
	ঙ) লাইশঙ-শঙলেন	১৬ – ৪১
	অ] অহানবা মথোন	১৭—২০
	আ] অনিশুবা মথোন	২০—২৫
	ই] য়ুমথক-শঙথক	২৫—৩৯
	চ) লৈতেং-লৈথেং	৩৯—৪১
৩।	বিষ্ণু-লাইশঙসিগী মতুংগী ওইবা মওং-মতৌ	৪১ – ৫৬
	ক) লমজঙ-শঙতপ	৪২ — ৪৫
	খ) লাইশঙ-শঙলেন	৪৫—৪৬
	অ] চেকশঙ-লৈমায়	৪৬—৪৭
	আ] অহানবা মথোন	৪৭—৪৯
	ই] অনিশুবা মথোন	৪৯—৫১
	ঈ] য়ুমথক-মথা-মঙক/ড্রম	৫১—৫৪
	উ] য়ুমথক-মথা-লপলেন	৫৫ — ৫৬

5

মশীঙ	হিরম	লামায়
৪।	লম্মাংদোং' বিষ্ণু লাইশঙগী ওংদা-কাইদা	৫৬—৮১
	ক] রাহৌদোক	৫৬—৫৭
	খ] লাইশঙসিগী ওংদা-কাইদাসিগী মরী-মথোঙ	৫৮—৭১
	গ] লাইশঙসিগী ওংদা-কাইদা' মখল/মশক	৭১—৭৮
	ঘ] বিষ্ণু-লাইশঙসি শারম্বা শঙ-শাবা মী	৭৮—৮১
৫।	রারোয়-রাতেম	৮২—৯২
৬।	মরী মথোঙ্ তাকপা	৯৩—

[illegible]	[illegible]	[illegible]
৪।	[illegible]	[illegible]
ক)	[illegible]	[illegible]
খ)	[illegible]	[illegible]
গ)	[illegible]	[illegible]
ঘ)	[illegible]	[illegible]
৫।	[illegible]	[illegible]
৬।	[illegible]	[illegible]



Visnu Temple of Lamangdong

8

লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুম্শা-কৈশারোন্

(ARCHITECTURE OF LAMMANGDONG VISNU TEMPLE)

হৌদোক

লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙ্ মৈতৈ-হিন্দু বৈষ্ণব শাখাগী বিষ্ণু ভক্তশিংগী মচৎ-মনাংকী থায়নদগী চৎনরকপা লাইনীঙ-লীচৎকী ঈচেলগী পরিং শক্তাক্লিবা মমাঙ্ঙৈগী নীঙশিং'ফুরা অমনি। লাইশঙসিগী শুমহৎ'য়াইদি অরিবা মমাঙঙৈগী পোৎলম-চৈরম অমনা পীবা খুদোলনি।

শক্তম্ পুন্থনা লেপফম্-লৈফম্ তাকপা

অরাং-নোংপোক ভারতকী মতায়-চীদায় ওইনা মতোন ঈথং থংবা ভারতকী ষ্টেট অহুম অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরী অমগা মরিসিগী লমজাও-লমদম মনুংসিদা পার্ট "সি" ষ্টেট অমা ওইনা খৃঃ ১৯৭১ দগী লেপ্লক্লিবা মনিপুরগী খা-নোংচুপ থংবা তম্পাক্কী চীদায়, ষ্টেটসিগী কোহুং অমসুং অথোইবা কংলৈ ইম্ফাল টাউনগী ময়ায়মক্তদগী কিঃ মিঃ ২২ লাপ্পা লৈরিবা স্মোল টাউন লম্মাংদোং/বিসেনপুরগী খা থুল্লক ওইরবা মফম, থোংজাওরেন চীঙজাওগী মমাঙ/নোংপোক থংবা শরুক্কী থোংজাওরোক লোক-চাওগী চীঙখোঙ-চীঙয়াগী লমজাওগী মনুংদা খা থংলিবা শরুক্কী থোংজাওরোক্ তুরেলগী ওয় থংবা তোর্ব্বান্গী অরাং থংবা লোইয়া তময়াগী লমদম, লম্মাংদোং-কৈথেল হেন্দোক্লগা য়েলহাং চৎখিবা

লম্বীদা থজিক্তং চখরগা নোংচুপ পাংনা হাইজিনখ্রিবা থায়নগী কছার চংনবা লম্বী ওল্ড কছার রোড [Old Kachar Road (তোংজে মরীন্ লম্বী, লাংজীঙদগী মাক্লং তারগা লোইজীঙ-ফোওইচীঙ লান্দুনা চীঙলক্তা চৎখ্রগা মাইবোঙ য়ৌথিবা Old Kachar/Dima-sa/Maibong Road তু নত্তবা বৃটিশনা শেম্লম্বা লম্বী)] দা চঙশিল্লগা লম্মাংদোং কৈথেলগীদি মনীঙগী থা ওই-রপ্পা নোংচুপকী লম্লকসিদা একর ০.৬০৬ কী পাক-চাওবগী মফম অমথক মীগী পাট্টালেওদা কন্দুনা লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙ অসিনা ঙসিগী মীরোন্দা হৌখ্রবা পাব্লারী-পুব্লারী লীত্নুনা লৈব্বি।

মিৎয়েংগী পন্‌খৈন্নুংদা তারিবা শক্তম্

লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙ সিনা অচম্বা মিৎয়েংগী পন্‌খৈন্নুংদা হেক চঙলকপদা পুরিবা শক্তম্‌দি মরেপকা মঙানগা য়েংনবদা মরেপ্পা ঙম্বা মতৌদা মকোক্তা হিন্দু-বৈষ্ণব লম্বোইবগী কোকখুম-তুবী উপপা মশাগী শক্তম অমা মশানা কোক্‌থোং পুরগা নাকন্দা নাকন-চাবোক্ লম্বোই'তুবী উপপা মচা অমা য়েপ্তুনা পোবগুম চেপ্পা য়েংবা মিৎয়েংদা তাই। থর নকশিল্লক্লগা পুময়ান ওইনা য়েংবদদি মরাক-ময়ুং মান্নবা উগী নত্রগা অথারা শন্থীচেগী উপু অনিথক, লোনখৎনবদা অনিত্তুগী মথক থংবত্তুদি বোল অকাম্বী (Rubber balloon) গা নত্রগা ফুটবোল মন্নুংগী নোংশিৎ হান্নবা রবরগী ইন্নর-বোলত্তুগী মথক্তু মতোন কোয়রপ তৌনা ব্লাংখৎহন্দুনা তোপশিন-উপশিল্লগা মথা থংবা উপুত্তুগী মথক্তা লোনখৎথোন-গৎলগা থীন্দুনা থম্বগী শক্তম পুবগুম তৌই।

অমুক থর হেন্না নকশিল্লক্লবা লাপ্লপ্পা মিৎয়েংন্নুংদদি উরিবত্তু চেক্লা শাবা শঙনি হায়রবত্তু থঙবা ঙম্লকই, চেকলোনশিংগী কারক্তা

মতমগী তান্থাদা ওল্লিবা চহিগী উৎলিবা কুম্বী কালেনগী খোঙচৎ ওইরিবা পান্থাশিংগী অঙৈং-অশানা কোমথোকহল্লকপদগী নোংশিং অমসুং নোংলীকশিংনা শম্ভোক্তুনা লৌথোকপীগ্রবা চেক-চন হীদাকী মফম-মফমশিং হাং-হাংতুনা লৈখিবশিং মরক্তা চেকশিং মথং-মথং লোনখৎ-চনথৎনবগী মরোন-মরোন নাইরিবত্থু উবা ফংলকখি। অসুম্না মিংয়েংগা লোইন্না খোঙনা পুশিল্লক্তুনা বিষ্ণু-লাইশঙত্থুগী লমজঙ-শঙতপ্তগী মিটর ৫/৬ লোমগী লম্বদা য়ৌরকখি।

যুমশা-কৈশারোন্গী মিংয়েংদা

বিষ্ণু-লাইশঙসিগী শক্তনসি উক্করগা মাঙগী অখঙ-অহৈশিংনা লাইশঙসিগী মরমদা পাউদম্নম্বশিংত্থু নীঙশিংলকখি অমসুং মখোয়গী ব্রাইহশিংনা য়েক্লম্বা লাইশঙসিগী শক্তমগী শরুকশিংত্থু অমমম্ য়েং-লুবদা, অশেংবা মুংঙাইবত্থু মিংনা কোক্তা পুশিল্লক্লগা রাখন্দা পীরকখি।

লাইশঙসিবু যুমশা-কৈশারোনগী অখঙ-অহৈ অমা ওইনা ইন্দিয়ান আর্কিটেকচরগী মিংয়েংদা খ্বাইদগী ঈহান হাননা উখি-য়েংখিবসি ভারত সরকারগী শিক্ষা মন্ত্রালয় (আর্কিওলোজী) গী ইন্সপেক্সন অফিসার শ্রীমধো সরূপ ভাট্স (Respectable Madho Sarup Vats, Inspection Officer, Ministry of Education, Govt. of India) নি। মহাক্না মহাকী রিপোর্ট অসি খৃঃ ১৯১২ দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা থাগৎখিবগা লোইননা লাইশঙ অসিবু ঙাক-শেনবগী থৌদাং ভারত সরকারনা চহিসিমক্তদা লৌখিবনি। অতুপ্পা শ্রীভাট্সনা মহাকী অইবা

ৱারোলসি/রিপোর্টসি অমুক হন্না খৃ: ১৯৫৪ গী ''বিশ্বেশ্বরনন্দ ইন্দোলোজীকেল পেপর সেরিজ (Visveshvarananda Indological paper series) গী ৪০ শুবা চেফোং (১৯৫৪) দা ফোংদোকথি অমসুং শ্রীভট্‌সকী রিপোর্ট অসি খৃঃ ১৯৬৩ গী ইন্দিয়াগী গেজেট্টীয়ারদা এমঃ ভট্টাচার্য্যানা ইডিট তৌবা 'মনিপুর' ভোল্যুম অহুগী এপেণ্ডিক্সতা হাপ্পুনা পাউজেল য়েন্নবা থৌরাং তৌবদা গেজেটিয়ারহু চৎনখিদবগুম তৌখি। মসিগী মথা চৎথরকপনা অনৌবা মনিপুরগী অনৌবা মীরোনগী অখঙ-অহৈ কয়ানা মানা-মানা খঙবা উবা পুথোক্লহুনা শমথনরকখি। অসুম্না বিষ্ণু-লাইশঙসিগী য়ুমশা-কৈশারোনগী ওইবা অউবা-অয়েংবশিংগী মিংয়েংদা তারিবশিংহু থিজিন-হুমজিনবগী লমদাংদা চৎথনরকখি।

বিষ্ণু-লাইশঙগী য়ুমুশা-শঙ্‌শাগী মওং-মতৌ
(ARCHITECTURAL STRUCTURE OF VISNU TEMPLE)

লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙসিগী য়ুমশা-কৈশারোনগী ওইবা য়ুমওং-শঙওং অসি চুম্নগী মিংয়েংদা উরিবা মতৌ অহুখক্তনদি য়ুমশা-কৈশারোনগী মহৈ-মশীং হৈরবা অমসুং শীল্লম-শীম্হোঙ্‌ খঙলবা অখঙ-অহৈশিং, হিরম অনিসিদা শীনফম-শীম্থা ওইনরিবা খুংহৈ-শীনহৈবা, খুংনাই-শীন্নাইবশিং অমসুং হিরমশিংসিবু মায়-পুননা থিজিন-হুমজিল্লক্লিবশিং অমদি মহৈ-মশীংশিংসিবু তমখৎ-তান্‌খৎলক্লিবা মহৈরোইশিংগী মফমদদি অপেন্‌বা পীবা অমসুং ফংহনবা ঙমদে। খুদম ওইনা, লাইশঙসিগী শঙওং-শঙদাসিদা ঈচম চন্না শ্রীভট্‌সনা ৱাহৌ ওইনা হৌরিবা—

The temple of Visnu is a square brick structure of two storeys. It has a rectangular entrance porch on the south with a corbelled ceiling ... (**M. M.**, 1983, 33 & **M. B.**, 1963, XXXVII).

Transcreation into Manipuri/Meiteilon.

বিষ্ণুগী লাইশঙ অসি মরাক-ময়ুং মান্নবা য়ুম্ফমদা, চীথেক মরি নাইবদা মথোন অনি নাইনা/থোননা শাবা চেক্নী শক্তম অমনি। মসিগী মরাক ময়ুং নাইবদা ময়ুংনা হেনবা লমজঙফম ওইনবা অমা চেক্শঙ শঙলেন মশাহুদগী চুমদ্রিং হেক্তা ইম্ফোক্লক্লবা শরুক্কুগী য়ুমথক্কী শরুক অপুম্বদু পুমথুং-থুংবা লপল্লেন-লপজাও (Ceiling) হাপপা শঙতপ (Porch) অহু চেকশঙ শঙলেন্দুগী থা থংবা মায়কৈদা লৈ ...।

অসিনদি লাইশঙসিগী য়ুমশা-কৈশারোনগী অথুপ্পা মহৈ-মশীংগী মরমদা থোইদোক্না মঙাল পীবা ঙমদে অমসুং শঙসিগী মরু ওইবা শরুক মথৈথক্কুগী মশক তাকই। শ্রীভট্স মশানা শীজিন্নরম্বা, হৌজিক্তা অনৌবা মতমগী অখঙঅহৈশিংনা হিরমসিদা থুংলোইনা থুং থানরিবা পাম্বৈসিদা বিষ্ণু-লাইশঙসিগী মওং-মতৌ থাননবগীদমক্তা মথাগী অসিগুম্বা ইননবগী শরুকশিং থায়দোকচরি :—

১) মপানগী ওইবা মওং-মতৌ (The External Structure)
২) মনুংগী ওইবা মওং-মতৌ (The Internal Structure)

খুংখায়দোক অসিদা 'মপান' অমসুং 'মনুং' হায়বা অনিসিনা খঙনরিবসি লাইশঙসিগী চেক্লী ফক্লাংগী মপান থংবা শরুক্তা লৈরিবশিং অমসুং ফক্লাংগী মনুং থংবা শরুক অমসুং মহুগী মনুংদা লৈরিবশিং অহুবুনি। মখোয়গী মওং-মতৌগী মরোলশিংদি :—

১) বিষ্ণু-লাইশঙসিগী মপানগী ওইবা মওং-মতৌ
(The External Structure of Visnu Temple)

মথক্তা পাউদমজখিবা বিষ্ণু-লাইশঙসিগী 'মিৎয়েংগী পন-খৈনুংদা তারিবা শক্তম' হায়বসি লাইশঙসিগী মপানগী ওইবা মওং-মতৌ অসিগী শরুক অমনি। মসি অরাপপা অমদি অনক-পগী মরী লৈনবা মচাক (Relative factor of distance) কী মতুং-ইন্না মিৎয়েংগী মপাঙ্গল অমসুং মিৎকী মওম্না শক্লোন পুবগুম উবনি। অহুবু য়ুমশা-কৈশারোনগী মিৎয়েংসিদদি শক্লোন পুবা য়াদে, মশক শক্তম হোংবা য়াদে। মরম অসিনা থুনা পাবদা মুংঙাইনবা অমসুং ইবদা খুদোং চানবা মখাগী অমুন্না লাইশঙসিগী কায়াৎ য়াখোকচরি, মখোয়হুদি :—

I) য়ুম্ফম-শঙফম (Plinth/Base)
II) শঙখোঙ-ফম্বাক (Pedestal/Plateform),
III) লমজঙ-শঙতপ (Porch/Porticus),
IV) লাইশঙ-শঙলেন (Sanctum/Cathedral)

অসিশিংসিনি। খায়দোক্লিবা কায়াৎ মরিসিগী মনুংদা মরু ওইনা খ্বাইনা খ্বাইগী লাইয়ুম/লাইশঙ ওইনা খঙন-লৌনরিবসি অকোন-বগী অসিনি, ময়মদি মসিগী মনুং অসিদনি লাইনীঙলোনগী মরু ওইবা অশেংবা মফম লৈরিবসি। মফমসিদা লাই/বিষ্ণুগী লৈফম্নি ;

ঈরাৎ-থৌনী, লাইশোন-তীনশোন, পুজা-লাংজানচিংবা পুম্নমক্কী তৌফম/তৌনফম্নি, হায়বসি খ্বাইনা হেননা খঙনরবা ৱাফম্নি। অদুগা মথক্কী অহুম অসিদি মসিগী ঙাক্ক কন্নব, লমজঙ-লমথোক নুংঙাইনবনচিংবগী ওইনা, চঙদবা য়াদবা কায়াৎ/শরুকশিং ওইজৱবসু ম-শা ওইবশিংনি।

(I) য়ুম্ফম-শঙফম (Plinth/Base)

লাইশঙসিগী য়ুম্ফম নত্রগা শঙ/য়ুম পুৱিবা শঙফম অসি চেকশিংনা মরোন-মরোন লোনথৎনরগা খ্বাইগী ওইরিবা লৈমায়দগী চপ য়ুংথৎনা (Vertical) নত্রগা লৈমায়দা পাপেণ্ডিকুলার (Perpendicular) ওইনা পুঙ থোনবগুম পাক্কা-শন্না অকক্লবা পাক-চাওবা লমথৈ অমদা থোনগৎপনি। অসুম্না চেকশিংনা লৈমায় মথক্তা শন্দোক্না থোনগৎলগা মদুগী মথক্কী মমায়/লৈমায় ৱাই তৈবগুম তৈদুনা নান্হন-ফজহনববু মমাঙগৈগী মতমদা ঈঙ্গু তৈবা (চৈঃ কু: ১৯৮৯, ১১৩)। শিংপা হায়না কৌনরম্মী। হায়রিবা চেক্লা য়ুম্ফম থোনগৎপসি হৌজিক্কী মতমদা শেনথুমগী ফিবমগী মথা পোনবনা কয়া তৌনদ্রবসু মমাঙগৈদদি তৌনরম্মী হায়বগী খুদম লাইশঙসিনা ওইরি। অদুগা মসিগা য়ান্নদনা হৌজিক্তসু তৌনৱিবা লৈখোম থোকপগী নুংঙাইতবা নত্রগা মরম অমগী হেক্তা লৈমায়দা চেক্কী চেকলোন অমা/অনি শুমাঙ/মাঙ্গোন থুংনা পাক্লা শন্দোক্তুনা থাবা অসিসু থায়নদগী চৎনরক্লবনি, হায়বগী খুদম, বারুনীচীঙ/নোংমাইজীঙগী চীঙথোঙদা লৈবা লফুপোকপী হায়না খঙনবা মফম অদুদা মৈতৈগী মবুংঙো গরিবনিৱাজনা মহাক্কী লাইনীঙ হীরী কোনফম (Meditation site) শেম্লবগী চেক্লা লোনথীত্তুনা শাবা ফমথক-ফম্বাক অদুগী অকোয়বদা মিটর ৫০ মুক

পাকপা মিটর ৪০ মুক শাংবা লম/মফমগী শরুক্তা পাক্লা লৈমায় থুংনা চেকলোন ১/২ গী চাংদা থারম্বতু খৃঃ ১৯৯৪ গী মনিপুর য়ুনিভরসিটি (M.U.) গী চহিগী অতম্নবা এক্সেভেসন্দা থেংনখি। হায়রিবসিদগী হেনবা ওইনা লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙসিগীদি চেক ঙাক্তনা য়ুম্ফমসি থোল্লম্লিবনি।

লাইশঙসিগী য়ুম্ফম-শঙফম্সি থোল্লম্লিবা চেকশিং অসিনা মসিগী মথক্তা শাগৎখ্রিবা শঙখোঙ-ফম্বাক নত্তনা অতৈ মথক্কীশিংসি শাবদা শীজিন্নরিবা চেকশিং অসিদগী মগুন ময়াইগী থাক্তা অমস্তুং চাংদা ফবা হেল্লি হায়বসি মথক্তস্তু পঞ্জখ্রে। য়ুম্ফম-শঙফম অসি চাওরাক্লা চেক্লোন্ মঙারোম লোনথৎনতুনা থোনগৎপগী ফিবমদা থেংনজৈ। হায়রিবা চেক অসি অমগী অথাবা সেঃ মিঃ ৬.৩৬ লোম্লি। চেক্লোন ৬ (তরুক) চনথৎপসিগী চেকচন-হীদাক্কী/পোংচাক্কী শরুক্কী অথাবগা য়াওরগা পুল্লপ্পা থোনগংলিবা য়ুম্ফম-সি সেঃ মিঃ ৫৪/৫৫ রোম য়াংই। অতুবু হায়রিবসি, হায়রিবা লাইশঙসিগী শরুক থর ঙসিদগী চহি খরগী মমাঙদা পাল্লোইবা/রিপিয়ার (Repair) তৌখিবগী খুদম তাকপা ওইনা হৌজিক্কী মতমগী অনৌবা চেক (Modern brick, size : 2.86 × 9.5 × 6.56 cu. cm.) শিং হাপচিন-য়ানশিন্দুনা শেম্লম্বসিনা য়ুম্ফম শঙফনসিগী অরাংবসি চুম্লে, শোয়দ্রে হায়না হায়জবদি ঙমজদে।

লাইশঙসিগী য়ুম্ফম-শঙফম অসিগী মথক্তা শঙখোঙ-ফম্বাক লৈরগা মতুগী মথক্তা লাইশঙ-শঙলেন (Sanctum) অমস্তুং লমজঙ-শঙতপ (Porch/Porticus) অনিমক অসি শারিবনি।



লাইশঙ শঙলেনসি মরাক-ময়ুং মান্নবদা মি: ৩.৫ গী অশাংবনা মায়কৈ/নাকল মরিসি অমমম কোয়রিবনি। অতুগা লমজঙ-শঙতপ অসিনা মরাক-ময়ুং নাইবদা ময়ুংনা হেননা চীথেক মরি নাইবগী ফিরেপ্পা লৈবা, লাইশঙ শঙলেম মশাসিদগী শাংদোক-ইন্থোকখিবা শক্তম্নি। মসিগী ময়ুংগী অশাংবনা মিঃ ৩.১ নি। মরম অসিনা য়ুম্ফম-শঙফম অসিনা পুন্না কল্লিবা লম অসি অশাংবদা মি: ৬.৬ (মি: ৩.৫ + মি ৩.১) নি: অমসুং অপাকপদনা মি: ৩.৫ নি। মায়কৈ অসিগী মিংয়েংদা য়েংলুরগা মসি চাওরাক্লা রোমান আলফাবেটকী কেপিটেল লেটরগী টি (Capital letter 'T' of Roman alphabet) মাল্লি হায়না পীনবত্ম্রু য়াওই (MM, 1983,7)। অতুবু মসিগী অশেংবা শক্তমসিদি মখোক তেনবা য়োংকী শরুক্লা চাওবা নুঙথং (Hammer) অমগী নাকচেক-নাকন্দগী উরা মওং-মতৌতুনি।

(II) শঙখোঙ-ফম্বাক (Padestal/Plateform)

লাইশঙসিগী শঙখোঙ ফম্বাক অসি য়ুম্ফম-শঙফম (Plinth) গী হেকমতোনগী লৈমায়দগী নাকল অনিমক্তা অমমমদা সেঃ মি: ২/২ রোম চঙশিল্লগা মসিগী ওইবা ফম্বাক-খোঙ (Base of the pedestal) অতু হৌরকই। মসি, থাক অমমমদা সে.মি: ৪/৪গী চাংদ পাকপা থাক মঙা (৫) থক অপাকপদগী চপশিনবরোমদা হুঞ্জিন-। থিতুনা চেকলোন খুদিংগী চঙশিনখিতুনা থম্বাকসিগী মথক ঈথং থংবা লৈমায় অতু মখোঙ (Base)গী পাক চাওবগী নাকল নত্রগা মায়কৈ মরি (লাইশঙ-শঙলেনগী) অমসুং অহুম (লমজঙ-শঙতপকী

হঞ্জিন-চঙশিনখিদুনা মসিগী পাক-চাওবা নত্তগা মরাক ময়ুংসি শঙলেনগীদা মিঃ ৩·১×মি ৩·৩ অদুগা লমজঙ-শঙতপকীদা মিঃ ২·১× মিঃ ১·৩ গী চাংদা লেপ্পুনা লৈ। অস্তুন্না



লোইরোই লোইরোই ঙমখৎ-হন্দুনা থাংগৎখ্রিবা শঙথোক ফম্বাক (জাগতি/Jagati = Stylobate) অসি চেকলোন ৫ রোমগীনি। মসিদসু চেক অমগী অথাবসি সেঃ মিঃ ৬·৩৫/৬·৩৬ নি। মসিদা চেকচন্-পোংচাক্কী অথাবগী চাংসু হাপকৎলগা শঙখোঙ-ফম্বাক (Pedestal/Stylobate) অসি য়ুম্ফম-শঙফমগী মথক্তুগী সেঃ মিঃ ৪৫/৪৬ রোম ৱাংখৎলি অদুগা খ্বাইদগী ওইবা লৈমায়দগীনা চাওরাক্না মিঃ ১ রোমগী চাংদা ৱাংখৎলি। মসিসু অনৌবা রিপিয়ারিং তৌখিবগী খুদম লৈবসিনা য়ুম্ফম-শঙফম্না অৱাংবগী মতাংদা নংখিবা লাইবক্তু অদুম নংই/ফংই। অদুগা ফম্বাকসিগী মতাংদা য়ুমশা-কৈশারোনগী মহৈ-মশীংগী মিংয়েংদা খ্বাইদগী ঈহান হানা খুংমাখিবা শ্রীভটসনা থম্লম্বা ৱারোলদি :—

.........Starting from the base, the plinth is first vertical and then stepped back in six receding courses, the top of which corresponds to the floor level of the shrine.

(Ibid, 33 & M. B., 1963, XXXVII)

(III) লমজঙ-শঙতপ (Porch/Porticus)

বিষ্ণু-লাইশঙসিগী লমজঙ-লমথোকফম লম্বীগী মথক কুপ্পা-শঙ ওইনা শারম্লিবা লমজঙ-শঙতপ অসি চাওরাক্না মিটর অমরোম

ব়াংখৎপা য়ুম্ফম-শঙফম অমস্তুং শঙখোঙ-ফম্বাক (Plinth and pedestal) অনিগী মথক্তা শাবনি হায়বসি মথক্তস্তু পঞ্জখ্রে। মসি লাইশঙ-শঙলেন (Sanctum/cathedral) গী খা থংবা মায়কৈদা শঙলেন মশাগা শম্ননা শারিবনি। হায়রিবা লমজঙ-শঙতপ অসিনা লাইশঙ-শঙলেনগী শ্রীবিষ্ণু/লাই লাংলিব অশেংবা মফম নত্রগা যাগ-যজ্ঞ/পুজা-পুষ্পাঞ্জলি তৌনফম অহু য়ৌনা চঙবা/চঙনবশিংবু পুশিন্নবা লম্বী ওইরিবনিনা লমজঙ-শঙতপ অসিনা মতীক মগুন চাওরবা লাইশঙ অসিগী মায়ওন-মায়কৈ লেম্লিবা, লমতাকপা কম্পাস ওইরি।

লাইশঙগী লমজঙ্-শঙতপ অসি লাইশঙ-শঙলেন্দুদগী চুমত্রিংননা হেক্তমক শঙলেনগা শোক্ল-শম্ননা ইন্থোক-হেন্দোক্লকুবা চেক্কী য়ুমথক্ অমস্তুং য়ুমথক্কী মখাদা থারিবা য়ুমখক-লপলেন/লপচাও (ceiling) য়াওনা তাইন-তপশিন্নহুনা শেম-শাবা শঙতপনি। মসি,



অপুনবা লাইশঙসিগী শঙখোঙ-ফম্বাক্কী মথক্তগী মি: ৩ (অহুম) ব়াংই অমস্তুং হায়রিবা অব়াংবসিগী মতোন-তোল্লেন অহুনা লাইশঙ-শঙলেনগী মশা অপুন্বহুগী ময়ায়দা খ্বাঙশেং-খ্বঙলাক লৈতেংগুম লাক্লি-তোপ্লিবা পরিং-পরেংশিংহু (cornice) য়ৌরগা কোয়না য়ুবী মনীঙগুম কাখৎখ্রিবা য়ুমথক্কী মতোন অহুনা লৈতেংগী পরিং-পরেংশিং (Cornices) হু লানখৎখিহুনা অনিগুবা মথোনগী মমায়গী মখা ওইরপ্না ময়ায়দা লৈমায়গা থত্মাংননা (পেরেল্লেল : Parallel) ওইনা মরাক-ময়ৎ নাইবা খোঙফম-উফম ওইরিবা অশাবা/মীনম্বা

থোঙনাউত্নগী ময়াঈগী মপা হেন্‌গংলুই। হায়রিবা লমজঙ-শঙতপসি মরাক-ময়ুং নাইবদা ময়ুংনা হেল্লগা চীথেক মরি নাইবা (Rectangular) গী ফিবম-ফিরেপ্পা শাবনি হায়বসি মথক্তা হন্না হন্না হায়জখ্রে। মসিগী অপুনবা ময়ুংগী অশাংবনা মিটর ২·১০, পাকপনা মিটর ১৩ নি। অদুগা চেক্কী ফল্লাংগী অথাবনা — ময়ুং ইন্‌বা ফল্লাংদা সে: মি: ১৯ লোম্নি অমসুং মরাক ইনবা ফল্লাংদনা সে: মি: ৮০ রোম্নি।

লোইশঙ মশা পুন্নমকসিগী মায়ওন অদু লমজঙ-শঙতমসিনা পুরিবনিনা, মসিগী মমাঙ থংবা চেক্কী ফল্লাং অদু লমওক্লফম-মায়-য়োক্লফম ওইমা লমজঙ-থোঙ (Entrance-door)পাল্লি। হায়রিবা



লমজঙ-থোঙ অসি ডিগ্রী ৭০/৮০ রোমগী কাচীন নাইবা (Acute angle of C.70°/80°) কোন্‌-না/কাচীন অদুনা মথক থংলগা পাম্বোম অনিনা মান্নবা ফক্তোক্তুনা পুথরক্লগা মরাক (C. 1·1 m) ময়ুং (C. 2·20. m.) নাইনা কাচীন মরি নাইরগা ময়ুংনা হেনবা উচন-উফম (Rectangular form) অমগা শমজিন্নহুনা কাচীন (মঙা) ওইবা মওং-মতৌ (Pentagonal figure) গী ফিবম-ফিরেপ ওইবা থোঙ অমা শঙথোঙ ফম্বাক্তা য়ুম্ফম ওইহনা পাল্লি। থোঙ অসিগী অপুনবা অৱাংবসি চাওরাক্না মিটর ২·৫ রোম্নি অদুগা অপাকপনা মি: ১·১ রোম্নি। হায়রিবা থোঙ অসি নত্তনা লাইশঙ মনুংদা চঙনবা অতোপ্পা থোঙ/লম্বী অমতা লৈতে।

লাইশঙগী মায়ওন ওইরিবা লমচঙ-শঙতপ অসিগী ময়াঙ্গৈনা, ময়াঙ্গ ওইরগা পাল্লিবা থোঙ অসিগী থোঙথোঙ-লৈমায় অসিদগী খ্বাইগী ওইবা লৈমায় ফাওবদা কুমথনবা চেক্কী ফম্বাক কৈরাক শাবা (Stair or step) অমা চেক্লা চনশিন্দুনা হাপলি/পাল্লি। হায়রিবা ফম্বাক কানবা কৈরাক অসি থোঙদাফম থাক ৩ (অহুম) পাল্লি অমসুং থাক অহুমসি অমমন্না সে: মিঃ ৩৩·৩৫ রোমগী চাংদা ৱাংই।

লাইশঙসিগী লমজঙ-শঙতপ্তা পাল্লিবা থোঙ অসিগী নাকল য়েৎ-ওয় অনিদা মথাগী শঙথোঙ-ফম্বাক্কী লৈমায়দা ফক্লাং-য়ুম্বীদগী তাথবগী চাংদগী চেক অমগী অথাবগী চাং (সে: ৬·২৫ লোম) দা হন্থনা লাক্লিবা ফক্লাং চেকখোঙ/শাঁঙখোঙ (Base of the wall) গী অকোয়বা অহু চোক্লান অনিগী অথাবগী চাং (সে: মিঃ ১২·৭০ রোম) দা শঙথোঙ-ফম্বাক্কী লৈমায়দগী ৱাংখৎমা কম ওইনা লাক্লম্ল-গা মতুদগী চেকলোন অমগী চাংদা কুংশিন-হঞ্জিনখিহুনা কাখৎখ্রিবা পরিং অসি ফক্লাং-য়ুম্বীগা তাইনবা ফক্লাংগী চেক্লোন্দগী অমসুং ফক্লাং-য়ুম্বীগী চেক্লোন্দগী চেক্লোন অনি অমসুং অহুম মথং শিংনা তুংলোমদা/নীঙলোমদা চঙশিন হঞ্জিল্লি। হায়রিবা কুংশিন-হঞ্জিনবা পরিংসিনা কাখৎখিহুনা থোঙথক্কী থোঙবা মতোন তুমখৎনা ডিগ্রী ৭০/৮০ গী কাচীন/কোন-না শাবা (Angle) অহুগী মথক্কী চেক্লোন অমা ফাওবা চৎখৎখি অমসুং চৎখৎলিবসিদা মথক্কী ডিগ্রী ৭০/৮০ গী কাচীন/কোন অহুগী পাম্বোম অনিহু মান্নবা ফাকথহুনা কুমথরক্লিবা অহুনা মরাক্ল-ময়ুং নাইনা চীথেক মরি নাইগদোবা মওং-মতৌগী ফিরেপ (Rectangular form) অহুগী মচীন্দা হেক থেংবা-শোকপা মফমহুদগী ফক্লাং য়ুম্বীদগী ইস্থোকলকপা

কুৎশিনবা ফক্লাং লৈমায়দুদগী চেক্লোন অনিগী চাংদা থাগৎনা শন্দোকখিদুনা থোঙগী-থোঙবা শরুক লোয়বা ফাওবা য়ৌখি। অদুগা কুৎশিন-হজিনবা ফক্লাংসিগী মতোল্লোমদা ডিগ্রী ৭০/৮০গী কাচিন লৈরিবা অদুগী মথক্তা চেক্লোন অমগী অরাংবগী চাং ফাওবা কাখৎলগা লোয়শিন্দুনা, মরক্তা ফক্লাং-য়ুম্বীদগী ইন্থোক্লকপা চেক্লোন অহুমগী পরেংনা মরক থৎলবস্থু কুথবা ফক্লাংদুগী মথক মখা তুনা মরাক-ময়ুং নাইবদা মরাক্তা হেনবা কুথ-হজিনবা পরেংগী উচন য়ুম্ফম অমা শেমই। মসিনা লমজঙ-শঙতপ অদুগী ফক্লাংদা লৈতেং হাপ্পগুম তৌই।

লমজঙ-শঙতপ অসিগী য়ুমথক অসিগী মখা থংবা শরুক অসিদা লাইশঙ মমায়গী নত্রগা শঙমায় ওইরিবা অদুগী মথক্তা হায়খ্রিবা কুৎশিনবা ফক্লাং লৈমায়গী মথক থংব শরুক্তগী চেকলোন অমা থাগৎনা লাক্লগা মতুদগী অমুকস্থু চেক্লোন অমগী চাংদা থাগৎনা ফক্লাং থুংনা চাং মান্ননা হাইগৎলক্লগা মথক্লোমদা কাখৎলক্তুনা লাক্লিবা শরুক অদুগা শন্নরি। য়ুমথক অসি পে-ছাটিন নত্রগা য়ুবী মনীঙগুম মতোন কোয়না পোঙথোকপা (Dome shaped) মওং-মতৌগী শক্তম অমনা য়ুমথক পুমথুং থুংনা য়ুমগী ফক্লাংগী মথক্লোমদা কাখৎলকপা মচীন-মপান্না কোয়না মখোঙ ওত্থহন্দুনা চানহনবা কিয়োংগী শঙশা-য়ুমশাগী য়ুমথক (Kyaung-type roof) না মথক কুপ্লি। মসিবু শ্রীমধো সরুপ ভটস্‌না খাঙপোক-শঙশা মখলগী মকোয়গী ম-কো-ন,—লাক-কো-ন (Hut-type arch) নি হায়না পীবীরম্মী (M.B., 1963, XXXIX)। লমজঙ-শঙতপসিগী মথক খুৎকুপ্পকী য়ুমথক অসি লাইশঙ মশাসিগী মপী ওইরিবা শঙলেন অসিগী য়ুমথক্তা কুপ্লিবসিগা মওং-মতৌ, শঙশা-লাকশাগী কাইদাগা

চপ মান্ননা উই। মরম অসিনা লমজঙ-শঙতপসিগী য়ুমথকসিগী য়ুমশা-কৈশারোনগী ওইবা মওং-মতৌগী মরমদা পাউদমজবদি লাইশঙ-শঙলেনগী য়ুমথক্কী পাউদমজবগী মতাংদা য়েংবিরো। অদুবু থাদোক-হুন্দোক্লুস্বা য়াদবা মরম থরদি :—

লমজঙ-শঙতপসিগী য়ুমথক অসি পে-ছাটিনগুম মতোন কোয়না, মতুম তারগা মথক্লোমদা পোঙথং-পোঙথোকপসিদা মকোয়-মকোয়বা (Arch) পরিংগী পরেংশিং (Courses) না লৈতেং-লৈথেং হাপ্তুনা মায়কৈ অহুমলোমদগী মথক্লোমদা পুখংলক্লি। হায়রিবা মকোয় পরেংশিং অসি পুন্না মশীঙ ৬ শুই, মসিগী মশীঙ ৬ অসি লাইশঙ শঙলেনগী অমুন্না পুরিবা মকোয়গী মকোয় পরেংশিংগী মশীঙদগীদি অমা তাথরবনি, হায়বদি শঙলেন-য়ুমথ-ক্কীসিদদি মখোয়গী মশীঙসি তরেৎ শুই। লমজঙ-শঙতপকী য়ুমথক্কী মকোয় মকোয়গী পরিং-পরেংশিং অসিদগী হেনগত্তুনা ৱাংখংখ্রবা য়ুমথক্কী শরুক অহু তুংলোমদা/নীঙলোমদা অস্থুম অস্থুম পৈ-শিনদ্ ঙামশিনখিত্নুনা মথক্লোমদা থর-থর খজিক-খজিক হুয়জিন-পীক-শিল্লকপগা লোইননা ৱাংখৎপগী চাংস্থ খজিক-খজিক কাখৎখ্রিবনি। অস্থুম মকোয়-ম-ক্কায়গী পরিং-পরেংশিং অদুগা কিয়োং-য়ুমশা/শঙশা-য়ুমথক (Kyaung-type dome-roof) অদুগা শম্ন-তিন্নহুনা চঙশিন্নখি। হায়রিবসিগী অরমদা শ্রীমধো সরুপ ভট্ সনা পাউদম্নম্বদি ঃ—

... ... These arches consist of six courses against seven on those of the shrine. The elevation above these arches was stepped back till it

could be covered by a dome resembling that of the cella. (Ibid, XXXIX).

(IV) লাইশঙ-শঙলেন্ (Sanctum/Cathedral)

লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী লাইশঙ-শঙলেন অসি মরাক-ময়ুং মান্নবা চীথেক মরি নাইবা য়ুম্ফম-শঙফম অমগী মথক্তা নেমতক্লা চেক্লোন থাক-থাকনা লোনথৎনহুনা ৱাংথৎহনবা শঙথোঙ-ফম্বাক অমগী মথক্তা মরাক-ময়ুং মান্ননা মথোন অনি নাইনা/থোন্না শাবা য়ুমশা-শঙশাদা শাবা লাইশঙগী মপী-ময়াঙ ওইরিবা শঙলেম্নি হায়বসি মথক্তা হন্না-হন্না শক্তাকচখ্রে। লাইশঙ-শঙলেন অসিনা মরাক-ময়ুং মান্ননা কল্লিবা লম অসি স্কার মিটর ১০'৮৯ (মি: ৩'৩ × মি: ৩'৩) গী পাক চাওবনি, অতুগা মথক্কী অহাংবা মালংদা কল্লিবা লম অসিনা পুল্লপ্পা মিটর ৯'১৪/৯'১৫ (ফুট ৩০ নত্রগা লম মঙারোম : খো: পঃ, ১৯৯৭,৩৮) রোমনি। লাইশঙ-শঙলেনসিগী মায়ওন, মসিগী লমজঙ-শঙতপ অসিনা লৈরিবা নত্রগা তাকপগী মতুং-ইন্না মথা মায়কৈরোমদনি। লাইশঙ-শঙলেনসি শঙথোঙ–ফম্বাক জাগতি/Jagati (Stylobate/Pedestal)] অতুদগী চেক্লোন্ অনি (C. 6·35 cm. × 2) গী চাংদা অমসুং খাইগী ওইবা লৈমায়দগী মি: ১ রোমগী চাংদা ৱাংথৎপগী থাক্তা লেপ্লি। হায়রিবা লাইশঙ-শঙলেন মশাসিগী মরমদা পাবা স্তুংঙাইনবা অমসুং ইবদা খুদোং চাননবগীদমক্তা মথাগী অস্নুম্না কায়াৎ য়াৎথোক্লি :—

(A) অহানবা (১বা) মথোন (The first storey) (লৈমায়রোমদগী),

(B) অনিশুবা (২বা) মথোন (The second storey) (লৈমায়রোমদগী),

(C) য়ুমথক/শঙথক (The Roof),

(D) লৈতেং অমসুং লৈথেংশিং (Decoratives & ornaments)

মথক্কী কায়াংশিংসিগী ঈকোন-কোনবা লৈতেং অমসুং লৈথেংশিং (Decoratives And Ornaments) গী ওইবা মওং মতৌগী য়্রারোলশিংসিদি মথক্কী কায়াং অহুম [(A) দগী (C) ফাওবা] অসিগী মরম-মরোলশিং শীঙথারকপগী মওং-মতৌ থারকপদা মশা-মশাগা কোন্ননা, মখোয়গী মনুং চন্না অহুম্মক হাপচিনজগনি।

(A) অহানবা (১বা) মথোন্ (The First Storey)

লাইশঙ-শঙলেনসিগী অহানবা মথোন অসিদি মথক্তা হায়জখিবা থ্বাইগী ওইবা লৈমায়দগী মিটর অমরোমগী চাংগী অৱাংবা, চেক্লা থোনগাংপা য়ুম্ফম-শঙফম (সেঃ মিঃ ৫৪/৫৫ রোম) অমসুং শঙখোঙ-ফম্বাক (সেঃ মিঃ ৪৫/৪৬ লোম) কী মথক্তা লেপ্তুনা লাইশঙ-শঙলেনসিগী অতৈ কায়াংশিং/শরুকশিং কোক্তা থোঙ্গতুনা কোকথোং পুরিরসি। অসি মরাক-ময়ুং মাল্লবা ফিরেপ ফিরমদা মরেপ-মঙানগী মরাক-ময়ুংগা মান্নবা চেক্লা শাবা চীথেক নিপান মাইবা চেক্তুম (Brick cube) অমনি। চেক্কী চিথুব অসিনা কল্লিবা লম অসি ক্যুবিক মিটর ৩৫৯.৩৭ [মরাক=মিঃ ৩.৩ × ময়ুং=মিঃ ৩.৩ × অৱাংবা=মিঃ ৩.৩] লোম্মি। অসিদগী খারোম থংবা আম্রকৈদা মিটর ৩ গী অৱাংবগী চাংদা শামজঙ-শঙতম

(porch) অসিগা মনুং ফাওননা ঈন্থোক-শন্দোক্তুনা তপংথোক্লকপনি অমসুং শাদোক্লকপনি।

শঙলেন্‌গী ১বা মথোন্‌গী ফক্লাং ঃ— শঙলেনসিগী অহানবা মথোনগী চেক্লা চন্‌থৎপা ফক্লাং অসি লাইশঙসিগী লাই লৈফম (Shrine) অমসুং হৈকৎ-লৈকৎফম (Altar) বু মায়কৈ মরিমক্তা কোয়শিল্লিবা অমদি লমজঙ-শঙতপ্পগী চঙলকপা য়াবা চঙফম থোঙ অমা মমায় মথা ওন্না ফাংপা চেক্কী পল, চেকপন্‌গী অপাকপদগী নাকন অমমমদা সেঃ মিঃ ৫/৫ চঙশিল্লগা চুমদ্রিং চুন্না, য়ুংনা (Vertical) কাথৎথিত্নুনা মিটর অহুমগী অৱাংবা ফাওবা য়ৌথি অমসুং মফম অসিদা ১বা মথোনসিগী ফক্লাংসি লোয়সিনবগুম উই। মফমসিদা ফক্লাংগী অৱাংবা লোয়শিনগ্রবসু মথোন অসিগী অরোয়বা পন্‌থৈদি নত্তে, মতুদি লাইশঙ-শঙলেন মশাগী ময়াঈদা খ্বাঙশেংখ্বাঙলাক ওইনা ফারিবা ফক্লাংগী লৈমায়দগী অমুক-তোংথোক অমুক কুৎশিন তৌত্নুনা তোপ্পা হৈ-চন্দুনা শেম্বা খ্বাঙলাক পরেং (Cornice) অমগী ময়ায় য়ৌবা ফাওবা লমথৈ শন্দোক্লিবনি। অহানবা মথোনসিগী মাঈকৈ অহুমগী ফক্লাংশিং হায়বদি নোংপোক থংবা, অৱাং থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা মায়কৈ অহুমসিগী ফক্লাংশিংসি ফক্লাং মনুংদা মকোয়-মকোয় ওইনা হজিন্দুনা শঙলেন মশাগা শন্নূনা শন্দোক-হেন্দোক্লকপা মফমশিং (Corbelled arch niches) অমমম লৈ। অত্নুগা হায়রিবা শঙলেন মশাদগী ইন্থোকহেন্দোক্লকপা মকোয়-মকোয় ওইবা মওংগী হজিন-হুৎচিনবা মফমশিং অত্নুগী মথামক্তদা চেক্ অমমমগী পাকপা-চাওবগী চাংতুগী ওইবা অপীকপা মথুল অমমম্‌সু মনুং ফাওনা হুত্তুনা লৈ। অসিগুম্বা অহোবা মথুলশিং অসিনা লাইশঙ মনুং অতুদা মঙাল চঙহন্দুনা

ঙালহল্লি। অমসুং অনৌবা অমদি অশেংবা নোংশিং চঙহন্দুনা মন্নুংগী শরুকশিংতুগী পোৎলমশিংদা থুনা পুম্থ/পংথহন্দবা অমসুং অশেংবা নুংশিং পীতুনা হকচাং ফৎহল্লোয়দবা মরমশিংগী মঙাল অমসুং নুংশিংনা ঙাকথোকপা ঙন্নশিংতুগী ফংবগী কান্নবা অমদি খুদোং চাবতু পী। মরম অসিনা অহোবা মথুলশিংসি সোলার লাইটসম (Solar lightsome) অমসুং ফ্রেশ-এয়ার ভেলেন্টিটর (Fresh air ventilator) ওইনা লৌনৈ। অহানবা মথোল-সিগী চেক্কী ফক্লাং অসি মিটর ১˙২৭ (মপানগী, মি: ৩˙৩ মন্নুংগী মিঃ ২˙০৩) লোম থাই। ফক্লাংসিদা লৈরিবা কা হেন্না থাবগী মতৌ অমসুং মগুন অসিনা য়ুমশা-কৈশারোনগী শঙশা-য়ুমশা নত্রগা খুংশা-লাকশা অসি মনিপুরদা কদোমদগী, কদায়দগী, কনাদগী অমসুং করম্বা মায়কৈদগী লাক্লিবনো হায়বা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীননবা অচৌবা অমসুং মরু ওইবা পাঙ্গে অমা ওইগদৌরিবনি। মপান্থোংগী শকফম-শকওং খরা মান্নরুবনদি অশেংবা-অরেপ্পা হায়বদা চুম্লগনি হায়না লৌবা য়াদে। ক্কাক্কা ৱাহোং মতু থেৎচিল্লগা ৱাহোং ওইবা য়াদে। মীওইবনা চংনরিবসি মশক্তা নত্তে, মগুন অমসুং লমচত্তনি, মরমদি মখোয়সিদি অশেংবা মচৎ অমসুং মনাৎকী মরম্নি। লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙগী মওং-মতৌ অসিগুম্বনা মসিগা ফক্লাংনা থারিবা অমুন্না ফক্লাং থাবা লাইশঙ/মন্দির কয়া য়াম্না ভারত্তা লৈবগে? অমা-অনি লৈরম্বা য়াবদি খৃ: ১৯৪৭ কী মমাঙগী বঙ্গদেশ অমসুং নোংপোক থংবা বিহারদনি অতুবু মখোয়/লাইশঙশিংতুদি বুদ্ধিষ্ট স্তুপাশিংনি। অসিগুম্বা স্তুপাশিংসি করম্বা জাতিনা শারম্বনো হায়বতু বঙ্গ-বৌদ্ধিক ইতিহাস নৈনরগা মিৎয়েং তাবিরক্কনি।

(B) অনিশুবা (২বা) মথোন (The Second Storey)

বিষ্ণু লাইশঙগী লাইশঙ-শঙলেনগী অনিশুবা মথোন অসিনি অহানবা মথোন্দুনা লাইশঙগী ময়ায়গী লৈতেং-লৈথেং ওইরিবা, ফল্লাংদগী হেন্দোক-ইন্থোক্লা পুমহৈ ওইনা তোপলি লাক্লিবা কোর্নিস (Cornice) অসিনা কোকথোং ফৈজা শারগা কোকথক্তা পুবগুম উহল্লিবসি। মসিস্থু অহানবা মথোন অতুগুম মরাক ময়ুং মান্ননা নাইবা ফিরেপ-ফিবমদা চীথেক ৮ নাইনা চেক্লা শাবা চেক মতুম কেবি (Brick cubic structure) অমনি। অনিশুবা মথোনসিনা কল্লিবা লমস্থু ১বা মথোনতুগা চপ মান্নে অতুবু মথক্তা হামুন তাবা (গৌতম) বুদ্ধগী কোক্কী শরুক (Gautama Buddha's USHNISHA : Row of small curls of hair fringing the forehead) কূম্বা অমা য়ুমথক ওইনা কুপথরকপা অতুনা অরাংবগী ফিবম/চাংদা মথক্কী ২বা মথোল অসিনা হেন্নঃ রাংবগুম তৌনা উবনি। মসিগী খুদম অমথক্তং শাংবা মান্নবা লৈই অনিনা হাপচিল্ল-কপা লৈতেংনা মিৎয়েংদা শাংবা থেন্ননা উহনবতু অয়ে-কপা বুদ্ধগী উশনিশ উৎলিবতুগী মথাদা পীজরি। হায়রিবা অনি-শুবা মথোন অসি মথোঙ নত্রগা মথা থংবা শরুক থর ফাওবা

Form of Buddha's Ushanisha from Sarnath (A.I. 1984, 24)



লাইশঙসিগী লাইফম চঙনবা লাইশঙগী মায়ওন নত্রগা থা মায়-কৈরোমদা ১বা মথোন্দগী শন্দোক্তুনা শাথ্রি• তপথোকথ্রিবা লম-জঙ-শঙতপ অহুগী য়ুমথক্কী মতোন ব্রাংখৎলকপহুনা য়ৌখৎলক্তুনা ২বা মথোনগী মথাগী শরুকপু লাইশঙগী মমাঙলোমদগী ম্লেংলকপা মিংয়েংদগী থৎলি। মথোন অসি লাইশঙ-শঙলেন মশাসিগী য়ুমথক ওইরিবা ডোম (Dome) অহু পুরিবা কায়াৎনি।

<u>শঙলেনগী ২বা মথোনগী ফক্লাং</u> :— শঙলেনগী অনিশুবা মথোনগী চেক্লা চনখৎলিবা ফক্লাং অসি অহানবা মথোনগী ফক্লাংগা পরিং-পরেং/পংতি (Alignment) অমতদা পরিং চুন্না য়ুংখৎলা কাখৎলিবা লৈই অহুদগী চৎথোক-চৎশিন তৌদনা মথকলোমদা চুমদ্রিং চুন্না য়ুংনা কাখৎথিবনি। মসিনা অহানবা মথোনগী অয়ুংবা পরিংগী লৈই মপাহুদা তারকপা/হৌরকপগী ব্রাফমসিদা ঈকাই খুম্নফম ওইরবা ভট্সনা পাউদম্লম্বদি :—

The end of the first storey is marked by prominent cornice made of a series of courses which are first stepped out and then stepped back till the same vertical alignment of the lower storey is reached in order to proceed with the vertical part of the second storey.

(M. B., 1963, XXXVII)

অসিনি। হায়রিবা মথোনসিগী ফক্লাং মরি অসি শঙলেনসিগী খাঙল্লাক (Belt/Zone) ওইরিবা কোর্নিস অসিগী মথক-মক্ক-দগী হৌরকপগুম উই, তৌইগুম্বসুং মসি অশেংবা হৌরককম/

হৌফমদি কোনিসকী ময়াঈমক্তগীনি। হায়রিবা মফম অসিদা মথাগী মথোনগী ফক্লাং মরিগী মথক্কী মতোন অতুগা মথক্কী মথোনসিগী ফক্লাং মরিসিগী মথা-থংবা মতোন/মথোঙগা শম্ন-উনফম ওইরিবনি। মফমসিদগী মথক্লোমদা য়ুংনা চুমদ্রিং কাখৎ-লক্লবা ফক্লাং মরিসিনা মথোয়গী মরেপ ওইরিবা মিটর ৩ (অহুম) গী অৱাংবগী চাং অতু ফংবদা/য়োঁররুবদা য়ুমথক ওইরিবা মথক্কুগী মথক-মথা ওন্থোক্লগা মনীঙগী শরুক ওইবা তংখায়তু লৌরগা উপথরক্লিবা চফু মনীঙ-তংখায়গী শরুক্কুগী মথা/মথোঙ ওইরিবা শরুক্কুগা শোক্ল-শম্নতুনা লাইশঙ-শঙলেন মপুমগী ফিবম-ফিরেপ্তা মঙক্কী শরুক ওইবা মফম (Neck-point of the sanctum) অমা নাইহল্লি।

২বা মথোনগী ফক্লাংশিংগী থোঙনাউশিং ঃ— লাইশঙ-শঙলেনগী অনিশুবা মথোনগী ফক্লাং মরি অসিগী মনুংদা অৱাং থংবা নত্রগা লাইশঙ মশা অপুন্বগী ওইনা মনীঙ থংবা ফক্লাং অতু নত্তনা অতৈ অহুম অতুদদি অহুৎপা/অহোবা থোঙনাউ নত্তবা মতুমক মানহনবা/শাশিন্নবা/লৌনম-মীনম্বা থোঙনাউ (False perforated Window) অমমম পাল্লি। পাল্লিবা অহুৎ-অহোবা মানহনবা থোঙনাউশিংসি অমম্নুং মথোয়গী খুৎপান-লাক-পানগী মরমদা শ্রীমধো সরুপ ভট্‌সনা হায়রি ঃ—

Afters only six, courses in this alignment, the second storey is stepped back and carries up again vertically to the height of the false perforated windows, two of which come on each side except the front where there is only one

long perforated window. These windows are framed by a pilaster on each side. (Ibid, XXXVII).

অসিনি। অদুবু পীবীরম্লিবা অসিদগী লৌখৎচবদা থোঙনাউ অহুম অসি ব্রাংবা/পাকপগী চাংদা মান্নরবস্তু নাকনগী ফক্লাং অসি হায়বদি নোংপোক থংবগী অমস্তুং নোংচুপ থংবগী ফক্লাং অনি অদুদা পাল্লিবা মানহনবা থোঙনাউ অনিতুনা শাংবস্তু মান্নরগা লাইশঙগী মমায় ওইরিবা নত্রগা মায়য়োক থাফম ওইরিবা নত্রগা খা থংবা মায়কৈগী ফক্লাংদা পাল্লিবা হুত্তনা অহুৎপা মানহনবা থোঙনাউ অদুগদি শাংবা মান্নদ্রে, মতুনা ঈহেন হেন্না শাংলে। হায়রিবা থোঙনাউ অচৌবসি চাওরাক্লা মিঃ ১ ও লোমগী চাংদা শাংবা অমস্তুং সে: মি: ৬৯/৭০ রোমগী চাংদা ব্রাংবা পুন্না লম স্কর সে: মিঃ ৯০/৯১ রোম কল্লম্বা য়াই। অদুগা নাকন অনিগী থোঙনাউ অনিতুনা মি: ১ রোম শাংলগা সে: মি: ৬৯/৭০ রোম ব্রাংলম্বা য়াই। মখোয়'নিনা কন্দবা লমশিংসি অমমন্না স্কর সে:মি: ৬৯/৭০ নি। হায়রিবা হুৎস্তু হুত্তা, হোস্তু হোদনা অহুৎপা-অহোবা মানহনবা থোঙনাউশিং অসি মরাক-ময়ুংগী চীথেক পুন্নমক/মরিমক থোঙবা মচা ওইবশিংনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা শেম্বা (পিলাষ্টর্ড : Pilastered) থোঙনাউশিংনি। হায়রিবা থোঙনাউশিংসিনা হুৎস্তু হুত্তনা অহুৎপা শাবা অমস্তুং হোস্তু হোদনা অহোবা মানহনবনিনা মখোয়দি চুম্না লৈতেংগী ওইনা হাপ্পা-পানবনি : মরম অসিনা মখোয়সিনা লাইশঙ মনুং অদুদা কান্নবা অমতা পীদে, মঙানস্তু চঙদে, মুংশিংস্তু লিংশিন্দে।

<u>২বা মথোনগী ফক্লাংদা লৈতেংবা</u> :— মথক্তা পাউদম-জগ্রিবা লাইশঙ-শঙলেনগী অনিশুবা মাথানগী ফক্লাংশিংদা পানবা থোঙনাউশিং অসিম্নু ফক্লাংদা লৈতেংবনি হায়না লৌগদবনি হায়বসিগী ঈঙ্গিৎ মতেক অমা মথক্তা উংচখ্রে। মখোয়গী মরমদা তোংঙান্না পাউদমগ্রবনিনা অমুক লৌথৎলুবদি হঞ্জিনবা তানবনি। মখোয়সিগী ফক্লাং মরিসিগী কাচীন মরিসিদা থোঙবাগুম মরাক-ময়ুং নাইনা ফিবান/মপান চনবা অতেনবা পিলাষ্টর (Pilaster) অমমম লৈরি। হায়রিবা পিলাষ্টরশিংসিগী মথক্তা অপাকপা, অমমমদা পরিং-পরেং (Course) ৬/৬ না শাবা মপাক পরেং অমমম লৈ। মখোয়না লৈরিবা মফম অসিদা অচৌবা থাঙপোক-শঙশাগী মকোয় (Hut-type arch) অমনা মশাগী নাকন-অমমম্না হেক চাওথোক-কানথোকপা নত্রগা পাকথোক-শন্দোকপা য়াবমখৈ চাওথোক-শন্দোক্লগা লমখৈ ওইদুনা লৈ, অদুগা থংন-তাইনরিবা নাকল্লোমদগী চথ-শমথরক্লিবা অদুগুম্বা মকোয়শিংগা মফমদুদা থেংনৈ-শম্নে (Ibid, XXXVII) অসিগুম্বা মকোয়-শিংসি থেংন-শম্নদুনা থোকহল্লক্লিবা অহাংবা মফমশিংদুগী মরমদা হায়রবদি :—

... ...The pilasters coming at the corners have only six courses above them to the point where one large hut-type arch spanniag the full width of each side, terminates and contiguous archcs of the adjoining sides meet. These arches uniformly consist of seven courses. The space or the huanches formed by the meeting point of

arches on two contiguous sides was presumably filled by a round headed corbelled pilaster, which in appearence would have been a miniature copy of the dome above the sanetum.
(Ibid, XXXVII).

অসিনি। অতুগা মসিনা লাইশঙ-শঙলেন্দুগী য়ুমথক ওইরিবা বুদ্ধগী মকোক্কী শমলাং হামুন লৈ-বা মানবা উষ্নিশগী মওংগী মতুম তাবা য়ুমথক্কী মথা থংবা শরুক্কী অকোয়বা মপান-মতোন্দু পুননবা অকোয়বা কাঙখোঙ য়ুক্ষম (Circular base) শেম্বদসু খুদোং চাবা পীরবা য়াই হায়বা ব্রাফমস্থ পুথংলি।
(Ibid, XXXVII).

(C) য়ুমথক-শঙথক (The Roof)

লাইশঙ—শঙলেনসিগী য়ুমথক-শঙথক অসিনা লাইশঙ মশা অপুম্বগী অমস্থুং শঙলেনসিগী খ্বাইদগী ঈহেন হেন্না ব্রাংলবা মতোন তোল্লেন্নি। য়ুমথক-শঙথক অসিস্থু চুথেক মরী নাইবা চেকশিংনা চেক্লোন নীঙ/তুংলোমদা হঞ্জিন-চঙশিন্না থমত্থনা শীন-লাংলগা মতুম তাবা নত্রগা অকোয়বা মওং-মতৌ অমগী তংখায় ওইবা ফিরেপকী ফিবমদা তাহল্লকপনি। অসিনা লেপ্লি—লৈরিবা নংত্রগা মসিবু পুরি-শোগৎলিবা অসি লাইশঙ-শঙলেনসিগী অনি-শুবা মথোন্দুননি। মসিনা লেপলি/লৈরিবা মখোঙ নংত্রগা মথাগী মতোনঅসি লৈমায়দগী মি: ৭.৬০ (Plinth; 55 cm. + Pedestal, 45 cm. +1st Floor/Story, 3m + 2nd Story 3m. + Cornice 60 cm.) লোমগী মথক্তনি অমস্থুং মশাগী

অরাংবনা চাওরাক্লা মিঃ ১·৫৪ রোম্নি। অদুবু মসিগী মতোন্দা ঘটা অমস্তুং ঘটাচক্র (Ghata = Pot-drum and Circular 2/3 rows/Courses on the stand of pot-drum) হাপ্লগদি সেঃমিঃ ৬০ রোম রাংবা হেনগৎলকখিগনি। য়ুমথক-শঙথক অসিগী মতোন তোল্লেন অদুগী লৈমায়দগী রাংখৎলিবা চাং অদুনা লাইশঙ অসিগী অরাংবা লেপ্লিবনি, তাক্লিবনি, অমস্তুং লাইশঙসিগী অরাংবসি মিঃ ৯·১৪ রোম্নি হায়বসি মথক্তা কয়ারক হন্না উৎচগ্রে।

শ্রীমধো সরুপ ভট্স, ইন্দিয়া গোভর্ণমেন্টকী এডুকেসন মিনিস্ত্রী (আর্কিওলোজী) গী অহানবা ওইনা আর্কিওলোজীকেল প্রোটেক্সনগীদমক্তা ইন্সপেক্সন লাক্লম্বা অসিনদি বিষ্ণু-লাইশঙসিগী য়ুমথক্সি ডোম (Dome n, & v. t. l. n. rounded vault as roof, with circular, elliptical, or polygonal base, large cupola, : J.B.S., 1984, 285) নি হায়বসিদগী হেন্না পীবীরমদ্রে। অদুগা মনিপুর পব্লিক রার্কস ডিপার্টমেন্ট (P.W.D.) কী সিনিয়ার আর্কিটেক্, এল, মঙ্গী সিংহনা পীবীরম্বদনা :—

আর্কিটেকচর (বস্তু শিলপকলা) গী মায়কৈদা মোনুমেন্টশিং অসিগী ষ্টাইল (মওং মতৌ, শক্তম, Order) .... মথল অনি থোক্লা লৈবগুম তৌই। অমত্তা ওইবা Dome না কুপ্পা মন্দিরগী কাংলুপ অদুগা ময়ায়দা অচৌবা Dome অমগা মতাইদা পিকথবা, মান্নবা Dome (Replicas) মরিগনা কুপ্পা লাইশংগী কাংলুপ অসিনি। Dome গী ষ্টাইল (Style) মান্নবা অহানবা কাংলুপকী মন্দিরশিংগী মন্নুংদা মমিং পনবা

য়াবদি বিষ্ণুপুরগী শ্রীবিষ্ণু মন্দির, গুরু অরিবমগী শ্রীকৃষ্ণ মন্দির অদুগা মহাবলি হনুমান ঠাকুরগী মন্দির, অসিনি। অনিশুবা কাংলুপকী মন্দিরশিংদি ময়াম্বুং ইবুংঙো শ্রীযুৎ রাজা তুম্বুগী মন্দির, শ্রীবৃনামচন্দ্রগী মন্দির, থাঙ্গাল মেঞ্জরগী মন্দির অসিনি। (খো: প', ১৯৯৭,৩৪) অসুম্ন পীবীরম্নগা ডোমগী মরম তাক্লকপদা চথরক্কুনা মনিপুরদা চৎনরিবা ডোমগী মখলশিং তাকৃপীরকই, মদুদি :—

......Byzantine শিংনা Dome ইহান-হান্না হৌদোকখি। ইষ্টাম্বুলগী Santa Sophia গী Dome গী ষ্টাইল অসিগুম্বা অসিনা অহানবনি। নোংপোক্লোমদা নোংচুপলোমদা অসুম-অসুম শন্দোকখিদুনা হৌজিক্তি লম-লমগী ষ্টাইল অদুম লৈথরে। রুসিয়াদা চৎনবা ডোমগী ষ্টাইল অসি তিলহৌ মরূ নত্রগা Mace কী মকোক মানবা Cupola হায়না খঙনৈ। মনিপুরদা চৎনরিবা ডোমগী ষ্টাইল মখল মঙানি। চোংঙা বোনগী তাইপতা মখল অনি (১) মশুং নাইবা শাংতক তৌবা হৌজিক-হৌজিক্কী কোন্নুংগী ডোম, অদুগা (২) খুল্লক্তা লৈবা মন্দিরগী মশুং নিপান পানবা ডোম (থাংজম বোনগী ডোমগুম্বা), (৩) শ্রীগোবিন্দজিউ মন্দিরগী Hemispherical Domes কা মখল, (৪) শ্রীশ্রী জগনাথ ক্ষেত্রগী মওংদা কুপ্পা শ্রীকৈশাম মথংগী ডোমগী মখল, অদুগা (৫) লম্বোইবগী টুপীগী মওং মানবা শ্রীহনুমানজি ঠাকুর মন্দিরগী ডোম মখল, মঙা অসিনি। হান্না হায়জখিবা অহানবা কাংলুপকী ডোম হায়বদি গুরু অরিবমগী শ্রীমদনমোহনগী মন্দিরগী ডোম অমদি শ্রীহনুমানজি ঠাকুরগী ষ্টাইল অসি হৌজিক হৌজিক ব্রেষ্ট বেঙ্গোলগী মন্দিরশিংদা উবা ফংই (Ibid, 35)— অসি-শিংসিনি। অসুম্না শ্রীসিংহনা পীবীবা অসিগী মতুং-ইন্না লাইশঙ

অসিগী মথক কুপ্লিবা ডোম অসি "অমত্তা ওইবা ডোমনা কুপ্‌পা লাইশঙগী মখল" গী অহুনি।

লাইশঙ-শঙলেনগী য়ুমথক-শঙথক্কী ডোম অসি মায়কৈ মরিদগী লোইরোই-লোইরোই কাখৎলক্লিবা মপাক মরিহুনা ডোমগী মখাথংবা মখোঙ/মতোন ওইহুনা লাইশঙ-শঙলেনসিগী পাক্-চাওবা স্কার মিটর ১০.৯ রোম (মরাক, মি: ৩৩× ময়ুং, মি: ৩.৩) গী অসি পুমথুং থুংবদগী ডোমসি ফিবান-মপান অকোয়-বনা সে: মি. ৯/১০ ফাওবগী চাংদা হেনদোক্লগা পুমপাক পাক্লা কুপশিল্লিবা মওং-মতৌ অহুগী কোয়রপ তৌহন্নবা পাকথোক-চাওথোকপা নত্রগা পোঙথোক-ফন্দোকপগী চাং অহু অসুম-অসুম হন্থরক্তুনা মি: ১.৫৪ গী অৱাংবা য়োরকপদদি মায়কৈ মরিদগী হাইগৎ-কাখৎলক্লিবা মতোন/মপানশিং অহু মতুম তাবা মওং-মতৌ-গী ফিবম-ফিরেপ্তা তাহল্লগা অকোনবা মপাক্কী লমীফম (Hemispherical point) অমদা পুল্লপ-তাশিন-থোমজিন্ন-হুনা লোয়শিন-খমজিনখি। অহুগা মায়কৈ মরিদগী য়ুমথঙ-শঙ-থক্কী হৌরকফমগী ফিবান-মপানগী ময়ায়শিং অসি অকো-নবা, কাঙখোঙ-তংথায়গী অকোয়বা (Semicircular round) না মমায় ওইরগা চীথেক মরিদা সে: মি: ৪০/৫০, ৪০/৫০ পাকপা মমৈ/মপান হুইথবনা য়াস্থ-লে-মথনা লৈ। হায়রিবা মমায় মরিসিগী ফিবান/মপান পুম্নমক্তু পুমথুং-থুংনা সে: মি: ২৫/৩০ রোম পাকপা অমুক কুথ, অমুক তোংখৎ তৌব কোননা মতুম-তারপ তৌবগী তংথায় ওইবনা তোংথোকপ মরী-পরিংগী পরেং ৬ (তরুক) অহুগা কুংশিন-হজিনবগী মরী পরিংগী পরেং ৭ (তরেৎ) থক [মখোয়-শিংসি লমজঙ-শঙতপকী মমায় ৩ (তহুম) দদি মথংশিংনা

মশীঙ ৫ (মঙা) অমসুং ৬ (তরুক) না ওই] মমায়শিংছু পুমথুং-থুংনা অমসুং পুমশম-শম্না চেন্দুনা লৈতেং-লৈথেং তৌই।

শঙলেনগী ডোম য়ুমথক-শঙথক্কী অ-কোনবা মতোন তোল্লেন, মায়কৈ মরিদগী কোন্-না অমসুং লোইরোইননা কাথংলকপা মপাক-শিংগী উনা-তিন্নরিবা মফমগী ময়ায়, লাইশঙগী নল্লগা শঙলেন-সিগী খ্বাইদগী হেন্না রাংবা মফম (Summit/Tip point) অসিগী অকোয়বদা সে: মি: ২০/৩০ রোম্না ডাইমেটর ওইবা অকোয়বা মপাক (Disc) অমনা লুম্নবগী নল্লগা মথক্তা তোং-বগী মফম শেমদুনা লৈ। হায়রিবা মফমসিদা ঘটা হাপ্লম্বা য়াই হায়না শ্রীমধো সরুপ ভট্টনা সজেষ্ট তৌরি. মতুদি —

......Presumably, the dome would have been crowned by an inverted 'ghata' (Pot-drum) round the rim of which would probably have been a lotus design. This member is, however completely gone. (M.B., 1963.XXXVII).

অসিনি। হায়রিবা মথক্কী য়ুমথক-শঙথক্কী ওইহল্লিবা মওং-মতৌ অমসুং হাপ্লি-তোপ্লিবশিংসি পুল্লপ-পুল্লগা মিংয়েংদা তারক্লিবা মওং-মতৌগী ফিবম-ফিরেপতি বুদ্ধদেবগী অ-খো-য়বা অতেনবা শমশিংনা কুপশিনবা লল্লাই মপাদা হামুন লৈ-বা (Knot of hairs) কোক্কী শরুক্ (উশনিশ, Ushnisha) তা তাহল্লক্ই। হায়রিবা মথলসিবু মতুম তাবা মপুমগী তংখায়গী ডোম (Half hemisherical dome) হায়না খঙনৈ।

<u>মতুম তাবা মপুমগী তংখায়গী ডোম (Half Hemispherical Dome) গী চংনবা ঃ</u> — মথক্তা উৎচথিবা মনিপুর

P.W.D. গী সেনিয়ার আর্কিটেক এল, মঙ্গী সিংহনা 'ডোম' (Dome) গী হৌরকফম পীবীরে, মসিদা ডোম অসি বাইজেন্টাইন [BYZATINE : a. & n. 1. (Inhabitant) of Byzantium or the E. Roman Empire; (Archit, etc.) of Style developed in the Eastern Empire ... (Byzantium, later Constantinople and now Istanbul...) : J.B.S., 1984, 126] শিংনা হৌদোকপনি হায়না পীবীরি। অদুগা "নোংপোকলোমদা-নোংচুপলোমদা অসুম-অসুম শন্দোকখিহুনা হৌজিক্তি লম-লমগী ষ্টাইল অদুম লৈখ্রে" হায়নসু তাকপীরি। অদুবু রাফম অসিদি য়ুরোপকী ওইগনি, মরমদি ইন্দিয়া অমসুং ওরেন্টেল কন্ত্রীশিংগীদি ডোম/স্তুপা [Stupa ("Crest, top, summit" ; altar, etc. ; Buddha. Jain). This was originally a 'top-knot' of hair, designating the upper part of the head, but subsequently became used as an architectural term indicating a monument of a pyramidal or dome-shaped form over the sacred relics of the Buddha (or other saints.)... (G.L., 1986, 283)] গী হৌরকফম তোঙাননা ময়েক শেংনা লৈজে। হায়রিবা হৌরকফমসি শন্দোক্না উৎলিবদি :—

Stupa

The stupa obviously evolved from the simple prehistoric burial heap or tumulus under which the ashes of the dead were buried. Many such

funeral moulds— low, circular elevations of earth ringed by huge boulders— can be seen in the Deccan and South India. Though the Jain too built stupas, this kind of monument appears most frequently in Buddhist art. Sometimes another circle of stones surrounded the first, and the space between the two serves as a processional path.

অনকপা, য়ুমলোন্নবদা লৈরিবা ইন্দিয়াদা লৈতবা, ফংদবা য়ুমশা-শঙশারোনগী মওং-মতৌ অমসুং মসিগী ওংদা-কাইদা অসি ইন্দিয়ান টেম্পল আর্কিটেকচরগী এক্সপার্ট শ্রীমধো সরুপ ভট্‌সনা মান্নবা চাংদম্নবগী খুদম পীরিবা জাভা ঈথৎকী চণ্ডী পুন্তা দেবা, বোড়োবুদুর, চণ্ডী সারোননচিংবগী মরীরোমদগী লাকপা তারিব্রা? হ্রাহংসিগী পাউথুমসি হোয়নি-মান্নি হায়না খুন্থা তারবদি, লাপ্পরিবা লম মরাপ, লাল্লক্লিবা লৈপাকশিং, লমদমশিং অমসুং জাতি-কাংলুপশিংগী মায়কৈরোমদা মিংয়েং থম্লকপা মতমদা নুংথিল পো-বোপকী মঙ তারোইদ্রা? ইন্দিয়াদদি ম্যান্মারদদি চঙদ্রগা মনিপুরদদা অথন্ননা চঙখি হায়বদি ময়ামগী নোকফম ওইদুনা তোক্কনি। অতুগা অথেংবা মতমগী, হায়বদি ইন্দিয়ানা হৈরবা মতমদা বিষ্ণু-লাইসিনা ইন্দিয়াগী ওইবা মপোৎনিনা অমসুং লাইশঙ হায়বসি লাই অতুগী মপোৎ-মরম নত্রগা লোইনবা শঙ ওইবনিনা ইন্দিয়াগী মফম অমদগী চঙলকপনি হায়সি হায়রবসু হায়রিবা বস্তু শিল্প কলা (Architectural art) অসিগী মহৈ-মশীংসি ইন্দিয়াদা ম্যাম্মাশিংনা হৌদোক্লি অমসুং ভারতিয় বস্তু শিল্পকার (Indian architect) শিংদা তম্বীরি। মরম অসিনদি হায়রিবা য়ুমশা-

শঙশারোনসিগী খুদোল স ইন্দিয়ারোমদগী মনিপুরদা হৌদোক্লবা নত্রগা তন্বীরবা হায়বসিমা নত্রে, মখোয়সিদি মাস্ম / অৱাশিংগী শিষ্য-সেবক (Disciple/Student) নি. অদুগা য়ুমশা-শঙশাসি মখোয়গী নত্তে হায়বসিমস্থ ময়েক শেংলে।

'ডোমগী ওংদা কাইদা অমস্থং মওং-মতৌসিদি মফম-মফমগা ওইনা খেন্ন-খেন্নবা নত্রগা মান্ন-মান্নবা মতমদা হৌরকখিরস্বা য়াই, খুদম ওইনা, ঈজিপ্তগী পেরামিড (Pyramid) অসিমক মখল-সিগী মরাক-মথুং নাইবদা চীথেক মরি নাইবা মখলগীনি হায়বা য়াই। ডোমগী আর্ট অমস্থং আর্কিটেকচর অসিনা হৌনীঙবা মফমদগী হৌরক্লবস্থ স্কার ওইবা য়ুম্ফম নত্রগা মখোঙদা ডোম হাপ্পা অমস্থং য়ুম্ফম (Base) অদুদা ডোম হাপ্পদা চেৎননবা, ফিবম তাহন্নবা, লায়খোকহন্নবা অমস্থং মিংয়েংদ. পুক্লিঙগী ঈথিন-ঈহো-হন্নবা শেম-শারকপা অমস্থং খুদোং চাননবা পাম্বৈশিং – পেণ্ডেন্টিভ (Pendentive) অমস্থং অকোনবা নত্রগা মকোয়গী তংখায় ওইবা নংত্রগা কাচীন অহুম মান্ননা নাইবা (Curved or semicircular or triangle) পেণ্ডেন্টিভতু শানবা আর্চ (Arch) পুথোক্লকপসিদি বাইজেন্টাইনশিংননি হায়বসি মথক্তা বাইজেন্টাইন আর্টকী আর্কিটেকচরগী হিষ্টোরী মতেক অমতং পাউদমজখিবত্নদগী থঙবা ঙমই। মরম অসিনদি মথক্তা নৈন-খিবা আর্চকী হৌরকফমদি বাইজেন্টিয়ম অমস্থং বাইজেন্টাইন আর্কিটেকচরগী অহানবা সনাগী মুক্না ইবগী তাংকক (খৃঃ ৫২৭-৬২) তা পুথোক্লকখি। অদুদস্থ নত্তনা ডোম পমথৎ শৌগৎপদা ষ্টুংঙাইনবা, খুদোংচানবা অমস্থং কোম্লনবা ডোমগী মঙক/ড্রম (Drum) স্থ হায়রবা বাইজেন্টাইন আর্কিটেকচরসিগী অনিশুবা

সনাগী মুক্ৰ। আর্কিটেচরেল হিষ্টোরী ইবগী মতম-তাংকক (খৃ: ৮৬৭-১২০৪) কী মতমসিদা হৌদোক্লকখি। অতুবু বাইজেন্টিয়ম হায়বা থাপথ্রবা মেডিটরেনিয়ন সী (Mediterranean sea) গী লমদমগী মনুং-চনবা লমসিদগী ইন্দিয়া কান্থোক্লম্নগা করম্ন। মনিপুর য়ৌরক্লিবনো, হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমদি মালেমসিদা ফাওরিবা সিল্ক রোড (Silk Road) না রোমান/বাইজেন্টাইন অমসুং টাই-চাইনীজশিংগী কলচরেল একচেঞ্জ (Cultural Exchange) শিং, টাই/শান অমদি চাইনীজগা অমসুং ম্যাম্মা/বর্মিজ/ম্যান্মা অৱাশিংগগী কলচর, কলচরেল মেটরিয়েল অমসুং মেটরিয়েল কলচরশিং (Culture, Cultural materials, and Material cultures) ওন্ন-শিন্নবগী ইতিহাসশিংনা পীজরসন্নু।

মথক্কীসিদগী বাইজেন্টাইনগী য়ুমশা-শঙশারোনগা মহে-মশীংসি চাইনাগী সিল্কী মকোন শেন্সী প্রোভিন্স (Shensi province) তা হৌরক্নুনা চাইনীজ পেগোডা আর্কিটেকচর অসি থোক্লক্লমগনি। হায়রিবা পেগোডা আর্কিটেকচর অসি চাইনাদগী ম্যাম্মারদা শন্দোক্লকপনি হায়বসিদি পেগোডা/প্যাগোডা (Pagoda) হায়রিবা চাইনীজ লোনগী ৱাহৈ অসিমক্ৰা তাক্লি। অম্মুম্না হায়রিবা পেগোডা আর্কিটেকচর অসিগা লোইননা ম্যাণ্মার/ব্রর্মাদা লৈরিবা আর্কিটেকচর মথলশিংদি :—

(I) বুদ্ধিষ্ট আর্কিটেকচর (Buddhist architecture) ঃ—

(A) স্তুপা (The Stupa) নত্ত্রগা পেগোডা (The Pagoda),

(B) লাইশঙ/মন্দির (The Temple),

a) The Stupa ; . is a bell-shaped structure of salid brick-work raised on a series of receding terraces and crowned by a conical finial. The term ,Zedi' which is derived from the Pali word Cetiya, is applied to such structures, commonly having a small to sealed-up chamber of ten in the basement and sometimes in the dhatugarbha (The relic-chamber) which lies between the bell-shaped section and the finial. (K.M., 1983, 164).

b) The temple : ...... is a square, hollow temple constructed to contain large images of the Buddha and rising up in gradually diminishing terraces pyramidal roofs and crowned with curvilinear Sikhara. They are mostly large structures some of which attain a height of 200 feet, (Ibid, 164),

c) Pagoda : Pagoda monuments of Burma are of the solid stupas, the earliest extant examples are the BAWBAWGYI PAYAGYI and PAYAMA of Srikshetra (Ibid, 164). Tradition ascribed their

religious edifice to the 1st century B.C, but archaeologically, they belong to the 8th century A.D.

(i) The first is a square masonry terrace on which are generally placed small pagodas, sometimes miniature ones of the main stupa which they surround, steps ordinarily lead up this terrace on the four sides At the corners are frequently found huge figures of lions or human-headed lions called Mancessiha.

(ii) The second portion is made of receding plateform with bold mouldings and frequently, projecting angles occur at this stage, especially in the stupas of lower Burma.

(iii) The third partion is the bell which is the representative of the hemispherical body of the ancient stupa.

(iv) The fourth is the spire, consisting of a number of diminishing rings and decorative features. Above the ring is a band of lotus leaves printing downwards and anothers with leaves upturned, the

two being intercepted by a bead moulding. The next component of the spire is a cone designated amalaka in India and known in the Burmese as Khayaithee. (Ibid, 165)

d) Thein or ordination hall of monks.

e) Pitakattaik or Library.

f) Umin or Cave temple.

g) Kyaung or Monastery.

h) Rock-cut temple ... ... is the sub-terranean structure or rock-cut temples, etc. etc. (Ibid, 170)

(২) হিন্দু আর্কিটেকচর (The Hindu Architecture).

a) Ku or cave (Temple) : — The forms of temples in Burma are found among these categories of temples = the bell-shaped pyramids of dead brick-work in all varieties ; the same raised over a square or octagonal cell containing an image of Buddha : the bluff knots like dome of the Ceylon Pagodas; and many variation on these types. But the

predominant and characteristic fomm is that of cruciform vaulted temple.

The temples are called as KU or caves, derived from cave-temples of India. The simplest examples have their prototypes in the square hallow shrines of Sriksetra, Basically there are two distinct types. The first is a vaulted chapel with only one entrance and a Buddha image at the far end· The second has four entrances and a central cube with a Buddha image against each side. A narrow passage runs down the central pile. The walls are usually of great thickness to support the superstructures. The art of building the temple was developed during the early Pagan period. One of distinguishing feature is the perfection of vaulting and pointed radiating arches with voussoired bricks. The interior is embellished wiih mural paintings. The dark corridor is dimly lit by perforated windows......

(Ibid, 190).

অসিশিংসিনি। হায়রিবা ম্যান্মারগী লাইশঙশিংসিদদি আচ'শিং নীঙথীনা শীজিন্নরি অমস্থং মথোয়না ইন্দিয়াদা মসি শীজিন্নবা হৌদোকখিবসি খৃঃ কুমশীঙ চা ১৪ শুবদা বিহারগী বুদ্ধ/বোধ-গয়াগী লাইশঙ অমুক হন্না শাবদনি হায়বসি পেসি ব্রাউননা

খুদমগা কোননা উৎলগামাগী ষ্টেটমেন্টতা পীগ্রে। অতুনদি খন্ন নৈনবগী পনগোয়নুংদা লৈরিবা লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙ অসিগী য়ুমশা-শঙশারোনগী ওইবা য়ুমশা-শঙশা মওং মতৌ অমসুং মশক-মতৌগী ওংদা-কাইদা অসিগী হৌরক্লফম অমসুং মখল-অসি ইন্দিয়ারোমগী নত্তে, ম্যান্মার/অৱারোমগীনি। মরম অসিনা ইন্দিয়ান টেম্পল আর্কিটেকচরগী এক্সপার্ট আর্কিটেক শ্রীভট্সগী অমম্বা লাইশঙ-মনুংদা মিৎ উইশিল্লগা, যোগ-সাধনা য়াওদনা কৃষ্ণ থিবগুম্বগী ৱারোল — জাভা ঈথংকী চণ্ডী-লাইশঙশিংগা চাং-দম্নবগী খঙজিনবা কান্নবশিংসিনদি বিষ্ণু-লাইশঙসিগী ওংদা-কাইদগী ল-মসিদদি ক রম্সু তৌনবা য়াদে।

লাইশঙসিগী 'ওংদা-কাইদা' মখল/মশক

বিষ্ণু-লাইশঙসিগী ওংদা-কাইদাগী মখল/মশক অসি ইন্দিয়াগী শকথঙনরি-লৌখ্বনরিবা হিরমসগী মখল/মশকশিংগী ৱাংমদনি। মসি, মথুং-খুঙ্গংদ নত্রগা খুঙ্গংগী লমদমশিংদা ফনা য়াম্না মমিং লৈজতুনম্সু, শকথঙনতুনম্সু অমসুং ঈকাই খূম্নব ফংতুনম্সু কংলৈ-সহর য়োৌরক্লগা করিম্সু তৌবা য়াদে। লৱাইবু ইম্ফালনা উশিত্তে হায়না চংশরিবা চংনবী অতুগুম্বগী কাইদানি। অতুনা মসিগীদমক মতম মাঙল্লুবা কান্নদে, কুটব-মিনার (Kutb Minar)গী ৱারা হঞ্জিন্না এক্সপ্লোর তৌরুবনা ফৈ।

লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙসিগী য়ুমশা-শঙশারোনগী ওইবা য়ুমশা-শঙশাগী ওংদা-কাইদাসি ম্যান্মাররোমদগী লাকপনি হায়বসিমদি শেংলে। ৱাফমসি মথক্তা হন্ন-হন্না উৎথ্রবা চৈথারোন কুম্বারগী ঈ-পাউগী ৱারোল — অৱা (AVA, 21·52 N 96·01 E.) গী অৱা-কিয়োং/ক্যাউঙ্ শাবা হৈবা (Architect of the

Ava/Burmese Kyaung architecture) মনিপুরদা থোক্লকপ (চৈ: কু:, ১৯৮৯, ৭০) গী ব্রাফম অসিনস্থু শৌগৎপদা নত্তনা অনৌবা মতমগী থিজিন-হুমজিন্‌বগী ব্রাখল্লোন থরনস্থু তেংবাংলি। তেংবাং-ব্রাপাং ব্রারোলহুদি :—

...... The corbelled arch employed here in the temple of Vishnu, Bishenpur, bears the same technique in the style mentioned above. The same arch can be seen in many of the buildings of Burma of the medieval period. Similar arches also can be seen in the PETTUK pagoda of Pagan (Burma) of the 11th century A.D. From the above similarity in brick masonry, the builders of Vishnu temple, Bishenpur may be attributed to the Burmese masonry.

(M.M., 1983,9)

অশিনি। অহুবু ব্রারোলসিদা য়ুমশা-শঙশারোনগী য়ুমঙং-শঙঙংগী ঙংদা-কাইদাদদি থর থায়ায়নন থম্লে অমস্থুং য়ুমশা-শঙশাবা অহুগী মশক তাকপগী মায়কৈরোমদ। চথখ্রে, চীনগা কলম মান্ন-দ্রে। চাক চারব্রা হংলগা, য়েন্‌শাং হাঙতে, হায়না থুম্লে।

বিষ্ণু-লাইশঙ লম্মাংদোং অসিগী য়ুমশা-শঙশাগী ঙংদা-কাইদাসি অব্রারোমদগী লাক্লবদি অব্রাগী করম্বা য়ুমশা-শঙশা-রোনগী য়ুমশা-শঙশাগী ঙংদা-কাইদানো, অহুগা মনিপুরদনা মসিবু কব্রি হায়রগা/কৌরগ খঙনরম্বনো/খঙনরিবনো? ব্রাহং-শিংসি পাউথুম পীননবা অব্রা/ম্যাণ্মাররোমগী য়ুমশা-শঙশা মথলশিং

মথক্তা শম্পৎনা পাউদমজখ্রে। অতুনদি মনিপুরগী বিষ্ণু-লাইশঙসিগী য়ুমশা-শঙশারোন/কৈশারোনগী করম্বা ম্যাম্মা/ম্যাম্মাগী য়ুমশা-শঙশাগী শঙওং-শঙদাগী ওংদা কাইদাদা চিংবগে হায়বসি লেপ-থোকপসিনি তঙাইফদবা, তৌদবা য়াত্রবা অমা ওইরিবসি। মতুংগীদমক খান-পানদুনা য়েংলবদি মিৎয়েংসিদা তারকপগী মতুং-ইন্না, হিন্দু-দেবতা লাংপা নত্রগা বিষ্ণুগী ময়ুম ওইহনবগী রারম অমদি রাফমসি তোপ্পা থম্নগা বৌদ্ধিক বস্তুশিল্পকলা (Buddhist architecture) গী স্তুপা. মন্দির, প্যাগোদা. উমিন্নচিংবা লাইগী লৈকম, ঈরাৎ-থৌনীফমশিংসি থনম্লগা হিন্দু ম্যাম্মা/অৱা কস্তশিল্পকলাগী লাইশঙ/কু (Ku, cave) শিং, হায়বদি হিন্দুগী দেব-দেবীগম (Hindu gods and goddesses) লাংনবা লাইশঙশিংদা নত্রবস্থ বুদ্ধদেব (The ninth incarnation of Lord Vishnu) ল্যাংনরিবশিংদা মিৎয়েং চিংশিল্লকই অমসুং নকশিল্লকই। হায়রিবশিংসিগী মরু ওইরিবা মরম থর চাংদম-খুদমতুনা লৌখৎপা তারবদি :—

(১) মরাক-ময়ুং নাইনা মরাক-মমুংতু মান্নবা (Square) লাইশঙ-শঙলেন (Sanctum/Cella), অতু মরীন হৌন-না হাঙবা লাই লাংফম (Shrine/Altar) লৈনবা/ থম্নবা ওইরিবসিনা ম্যাম্মাগী কুব অমসুং নৈতেগী বিষ্ণু লাইশঙ হায়রিবা অসিনা ওইননবা অমদি লোইননবা।

(২) চাংদম-খুদমরিবা মায়কৈ অনিমক্তা কাঞ্চী হাইগৎ-তুনা মথক কুপ্পা [Vaulted: Vault, I. n. (Archit) arched roof, continuous arch, set or series of arches whose joints

radiate from central point or line. 2. vault like covering ...; arched apartment; arched or other cellar or subterranean chamber as place of storage of interment beneath church, or in cemetery (family v.) etc. 3 (Anat) arched roof of a cavity...(J.B.S., 1984,1189) : Arch. n. curved structure as support for bridge, roof, floor, etc. or as ornament; curvature in shape of arch........vault...... (Ibid, 44) লাই-লাৎফম/হৈহুন্-লৈহুন্ফম (পুজা-লাংজা তৌফম) অমমম্ লৈনবা।

(৩) হায়রিবা [মশীঙ (২)] কাপ্পী হাইগত্তুনা মথক কুপপা লাই-লাৎফম অসিদা চঙননবা লমজঙফম অমমমথক্কা লাম্বা/লম্বানরিবা মায়কৈ অনিমকসিদ। লৈনবা/পান্নবা।

(৪) খুদম-চাংদম্নরিবা লাইশঙ মখল অনিমকসিদা লাই/বুদ্ধদেবগী মুর্ত্তি/শক্তম (Image) অহু লমজঙফম অসিদগী থাপতোকখিবা নাকল/মায়কৈ (Side/Place) গী অরোয়বা মফম, ফক্লাং থম থেংবদা লাংন-থম্নবা নত্রগা খিন্ন-লৈহন্নবগী মচৎ-মনাৎ মান্নবা।

(৫) লাইশঙ মখল অনিমকসিদা লাইশঙ-শঙলেনগী মনুংগী ওইবা অহাঙবা (Internal cube of space) শরুকশিংহু মথক্লোমদগী ওইরবস্থ, মথারোমদগী

ওইরবসু মপানগী ওইবা মওং-মতৌ (External structure) গী ফিবমদগী য়াম্না হেন্না চপশিন-খুজিন্বগী ফিবম-ফিরেপ্পা লৈনবা।

(৬) চাংদম্নরিবা লাইশঙ মথল অনিমকসিগী শঙ-শঙলেন-শিংগী চেক্না চল্লিবা ফক্লাংশিংসি য়াম্না হেন্না থাবা অমসুং মথক্কী অরুম্বা পুবা ঙম্নবা মওংদা শেম-শার-ম্বগী লীচং-শাঙ্গং মান্নবা।

অসিশিংসিনি। মথক্কী লাইশঙ মথল অনিমকসিগী য়ুমওং-শঙওং, য়ুমশা-শঙশাগী মচং-মনাং অমসুং লীচং-শাজং, য়ুমশা-শঙশাগী শীজিন্নরিবা মপোং-মচৈ, কাঞ্চী-কায়াংনচিংবসিদা য়ুম্ফম ওইবসিগী মথক্তা বৌদ্ধিক বস্তু শিল্পকলাগী মায়কৈরোমগী ওইবা লাইশঙ-লাইয়ুনগী লীচং-শাজং, মচং-মনাংনচিংবগী—(১) চেক্না পুম্নৈ ওইনা শাবা (Solid brick-work) গী মওং-নতৌ লৈহনবা অমসুং (২) থাক-থাক নাইনা মথক্লোমদা হুম্ম-জিন-ঙাম্শিনখিবা মরোন-মরোন্না লোনথংপা য়ুম্ফম অমসুং শঙখোঙ ফম্বাক্কী মথক্তগী লাইশঙ-শঙলেনগী শঙফম হৌদ্রিবা ফাওবা থাঙ্গং-পুখংলিবা মওং-মতৌগী লমচং-লীচংনসু শৌগং-য়োকখত্তুনা লমাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙ অসি অম্না/ম্যান্মার/বহ্মদেশকী ঙমথৈ-লমখৈগী ম্রাংমা মনিপুরদা লৈজরবসু ম্রাম্ম/বর্মা-গী হিন্দু লাইশঙগী য়ুমশা-শঙশারোনগী য়ুমশা-শঙশা মথলগী কূ (Ku) গী মওং-মতৌগী ওংদা-কাইদা (The style of the structure and form of the Ku-type of the Mramma/Burmese Hindu Temple Architecture) গী মহুং চল্লি। "কূ" হায়বা ম্রাম্মা/ম্যান্মা/থাম্মন/অম্না/বর্মিজ মরোনগী

ৱাহৈ অসিনা খঙ নরিবা "লাইশঙ/লাইয়ুম" হায়রা রাহন্দোক অসি, ৱাহৈসিমক্কী লেন/মপুঙ ওইরিরা ৱাহন্দোক সুরঙ্গ/সুরুং/ চীঙ-লৈথুন/চীঙ-নুং-হুং (CAVE) হায়বসি, ইন্দ্রিয়াগী কূপকঃ (কূফা : Cave-temple) হায়বসিদগী লোথরকপনি (K. M., 1983,190) মথক্কী কোটেসনদা পীজখ্রে। অদুবু মাম্মাশিংনদি মসিনা মখোয়গী লৈপাক্তা লৈবা হিন্দু টেম্পল-আর্কিটেকচরগী লাইশঙশিংবু খঙনবসিনা মসি (কূ) গী মখলসিগী আর্কিটেকচরেল ষ্টাইল (Architectural style) হায়না পীরিবনি।

মনিপুরদদি হায়রিবা 'কূ' গী মখলগী লাইশঙশিংসি য়ুমশা-শঙশাগী মওং-মতৌ অমসুং য়ুমশা-শঙশারোনগী মহৈ-মশীং-শঙওং-শঙদা, ওংদা-কাইদাবু কিয়োং (চৈ: কু: ১৯৮৯, ৭০, ৭১, ৭৬, ৭৮, ৮২, ৮৩, ৮৬, ৮৮, ১১৩, ১৮৯) / ক্যোং হায়না খঙনরকখি। মৈতৈগী 'কিয়োং' হায়বা ৱাহৈসি অৱাশিংগী ৱাহৈ 'ক্যাউঙ' (KYAUNG) হায়বসিগী লোন্থৈনি, ক্যাউঙগী ৱাহন্দোক্না, প্রমার্থ ধর্ম্মাশ্রম নত্রগা সন্যাসাশ্রম (লম্বোইবশিংগী লৈফম : Monastery) হায়বসিনা অশেংবনি অদুবু মাম্মাশিংনা ক্যাউঙগা কোন্নবা লাইশঙ থৱ, খুদম ওইনা, মিমলাউঙ্-ক্যাউঙ কূ/লাইশঙ (Mimalaung-Kyaung Temple), ক্যাউঙ হয়না খঙনরকপদগী ক্যাউঙ' ৱাহৈসিসু 'কূ' গী ৱাহন্দোক চেল্লকখিবদগী ৱাহৈসি মতোমতা লেপ্পকপদগী মৈতৈনা মসিদগী কিয়োংসি লোথোক-থৈথরক্কুনা হায়নরকপা মাল্লি। মরমশিং অসিবু মিংয়েংদা থম্লগা বিষ্ণু-লাইশঙসিগী য়ুমশা-শঙশারোনগী মওং-মতৌ অমসুং ওংদা-কাইদ অসি মনিপুর/মৈত্রবাক্কী ওইবা মায়কৈদা লেপ্তুনা হায়রবা/কৌবা তারবদি, লিনসু শিননবা চৈশুসু তেক্তনবা, কিয়োংগী য়ুমশা-শঙশা, য়ুমশা-শঙশাগী

মওং-মতৌ অমদি ওংদা-কাইদা অমসুং কিয়োংগী য়ুমশা-শঙশারোননি, হায়জনীঙই। অসুম্না কিয়োং আর্কিটেকচর অমসুং কিয়োং আর্কিটেকচরেল ষ্টাইলনি হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবগী অপিবা রারোলশিংনসু শৌগং-পমথংলি। রারোলশিংতুদি—

(১) ……স্বসম মাইচৌগী কুম শক ১৬৬৭……পোইন্থু থা……১৫ নি পানবা শগোনশেন্দা নোংঙানবা মতুং পুং ১ তেঙ্গোং থাংলৈদা শঙ্গায়রেন মথোন ৩ শুবা শাইএ। মথক্তা (ময়াঙতা) কিয়োং হাপএ/য়োংকী উচেক চিনএ। লৈরেন হাপএ॥…

(২) ……মোইরাং পালোইগী কুমদি শক ১৭২৭…… কালেন থা……২ নি য়ুমশকৈশদা চৌরাশি থম্বা কৌবা য়ুম্বী ৮৪ শুবা শঙ হৌএ। য়ুমচাউসুং মনাং-মমাঙ্ কিয়োং হাপএ। (মথক্কীসিদা, ১১৩, ১৮৯)

অনিসিনি। মরম অসিনদি লাইশঙ ওইনা থঙনরম্বা রাহৈ অসিনা মৈতৈদা লৈতেং-লৈথেংকী মথেল নত্রগা মথল ওনথ্রে অমসুং মসিনা ওংদা-কাইদা অমসুং খুংশা-লাকশা থঙনথ্রে।

অমরোমদা অমুক, লমাংদোং, মনিপুরগী বিষ্ণু-লাইশঙ অসিগুম্না লাইসু বিষ্ণু-ভগবান লাৎপা বিষ্ণু-লাইশঙ অমা ম্যান্মারগী থায়নগী কোন্নুং অমসুং সহর 'পাগান' দা লৈরি অমসুং মমিংনা নাট-হ্লাউঙ-ক্যাউঙ হায়না কৌই, মসিগী য়াম্না শম্বা ঈ-পাউ থরদি :—

Not only Buddhist art and architecture evidence intercourse between Pagan and North and

South India but also by the presencc of a temple dedicated to Visnu. The temple is known as Nat hlaung-Kyaung, (K.M., 1983,194).

অসিনি অমম্নং লাইশঙসি খৃষ্ট কুমশীঙ চা ১১ শুবদা শাখিবনি হায়না এশিয়া-য়ুরোপকী অথঙ-অহৈশিংনা য়াবৈ। অদুবু নাট-হ্লাউঙ-ক্যাউঙ লাইশঙসিগা য়ুমশা-শঙশাগী মওং-মতৌদদি শাথীনা খেন্নবগী মচৎ উবা ফংই।

বিষ্ণু-লাইশঙসি শারম্বা শঙ-শাবা-মী

মনিপুরগী লম্মাংদোংদা লৈরিবা বিষ্ণু-লাইশঙসি শারম্বা শঙশা-য়ুমশাবা মী (Builder or Brick Mason), খুৎহৈ-শীনহৈবা অদুগী লীখুন-খোঙ্গুনগী মমি অমতা মৈতৈ লাইরিক-শিং, হায়বদি পুরাণ/পুয়াশিংদা তাদে। অদুগা মনিপুরগী রোয়াল ক্রোনিকল এণ্ড এন্নালস (Royal Chronicle and Annals) ওইরিবা চৈথারোল কুম্বাবনম্নু অসিগুম্বা মৈতৈ মচা মিস্ত্রী (Mistry/Mason) অমতগী ৱারোল পল্লমদে। অদুবু লাইশঙ-সিগী চেকশু চেকচনবা, লাইশঙ-মন্দির শারম্বা মীশক/মীশকশিং অসি অৱাগী নুঙশঙ-চেকশঙ শাবশিংদা মখোয়না শারম্বনি হায়না ঈকাই খুম্নবা নত্রগা মমিং/মিংচৎ পীবা য়াই হায়না:—

> ...... The corbelled arch employed here in the temple of Vishnu, Bishenpur, bears...... in the Pettuk pagoda of Pagan (Burma of the eleventh century A.D. From the above similarity in prick work, the builders of

Vishnu temple, Bishenpur may be attributed to the Burmese masonry..... (M.M. 1983,9).

লোন্দা অস্নুম্না পীবীরম্মী। অদুবু মতাংসিদা পুখৎচনীঙলিবা রাকমদি খন্ন-নৈনবগী মনুংদা চঙলি-লৈরিবা য়ুমশা-শঙশারোন, য়ুমশা-শঙশা, য়ুমওং শঙওং ওংদ-কাইদা অসি অৱা/ম্যাম্মা/ম্যাগ্মা-শিংগীনি, কবো (KABO/SHAN)/পোং (MAO-SHAN/TAI-MAO) গী নত্তে। সিতা কনাগী নুপীনো হংলগা ৱানা হোৎনদুনা জনক নিংথৌগী মচানুপীনি হায়দুনা খুম্বীরে অদুগা ম্যাম্মা/বর্মিজগী চেকশু-চেকচন হৈবশিংগী মহৈ-মশীংদুদা পীবদি য়াই, মথোয়গী মীশকশিংনা শাবনি/শাখিবনি হায়বদুদি চম্মন্ন-বদা চম্মন্নবা হাপপীবনি মরমদি অৱাদা খুন্দাবা/লৈবশিংবু অৱা, মনিপুরদা খুন্দাবা/লৈববুনা মনিপুরিয়ান/মনিপুরী হায়নৈ।

বিষ্ণুগী লাইশঙসি শাখিরম্বা য়াবা মতম অদুৱাইদা অৱাগী থুংহৈ-শীনহৈবা আর্কিটেক অমতা মনিপুরদা থোকক্লখিবা, মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগী মতম খৃ: ১৭০৬ তা থোক্লকখিবা (চৈঃ কুঃ ১৯৮৯, ৭০, ৭১) অদুগুম্বগী ঈ-পাউ অমতা মতুং তারকপদা লৈখিদে অমস্নুং মমাঙদা চৎখৎপদস্নু লৈখিদ্রি। মৈতৈনা 'ফুরা' শাবগী আর্কিটেকচর অসিস্নু অৱা/ম্যাম্মা শংদগী তম্বনি হায়বসি 'ফুরা' হায়বা ম্যাম্মা মরোনগী ৱাহৈসিতনা (K.M., 1983,) স্নু খুদম-চাংদম ওইনা লেপচরবনি। অদুবু ফুরাগী য়ুমশা শঙশা-রোনগী ওইবা মওং-মতৌ, য়ুমওং-শঙওং, শঙওং-কাইদানচিংবদি কিয়োংগীদগী য়াম্না তোপ্পী হায়বা য়াই মসিনা চুম্নগী মরাক-ময়ুং নাইবা (Rectangular) নৎত্রগা মান্নবা (Square) মওংগী য়ুমশা-শঙশা ওইরুই হায়বগী ৱাফমদমক ওইনা তৌই।

মনিপুরদা কিয়োংগী আর্ট অমসুং আর্কিটেকচর হৌদোক্লম্বা অমসুং মসিগী য়ুমশা—শঙশাগী মহৈ-মশীং উৎলম্বসি মৈদিংঙু চরাইরোংবগী সনাহাক্তক্তা অরা (AVA. 21:52N & 96.05 E) দগী নত্ত্রগা মাম্মাশিংগী লৈপাক্কগী লাক্লবা "অরা কিয়োং শারা হৈবা" মীশক অহুনি, মহাক মৈত্রবাক থাদোক্লগা অমুক মরৈবাক/ময়ুমদা খৃঃ ১৭০৮ দা হনখি। মহাক্কী মতুংদা মৈতৈগী মবুংঙো গরিবনিৱাজগী সনাহাক্তক্তা নিংথৌসিনা অরা লৈপাক্তা লান্দাবা শুপহৌ হৌদ্রিঙৈ, মৈত্রবাক্কা অরা লৈপাক্কা নত্ত্রগা মাম্মাসিগা নিংথৌসিগী মতমগী ওইনা লৈপাক্কা খণ্ডনবা নৎত্রগা শকখঙ-মায়খঙবা নৎত্রগা ঈ-পাউ তাবা; থৌদোক-ৱাথোক, শাথোক-লা-ম্হোক্লবা অমতা হৌদ্রিঙৈ নৎত্রগা মরী অমতা লিংখৎনদ্রিঙৈ অমসুং খৃ: ১৭১৭-১৮ গী ফোংদা/তোমফাং হিদেনগী খুৎথানবা লাম্হোক থোকখিহনা লানফমহুদগী অরা অচঙবা/অহিংবা নুপা ৯০ অমসুং নুপী ১১ ফাদ্রিঙৈ (চৈ:কুঃ ১৯৮৯, ৭৮-৯) গী মমাঙ খৃঃ ১৭১৬ গী জন্নুৱারী থা (ৱাকচীঙ নোংমা পানবা) দা মনিপুরদা কিয়োং শাবা অমুক হন্না হৌগৎখ্রবনি (মথক্কীসিদ, ৭৬)। ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগী মতমদা লাক্লবা বর্মিজ টেম্পল আর্কিটেকচরগী ক্যাউঙ আর্কিটেক, চহি অনি (চহি ১ থা ১১ মথায়) রোম ফায়রম্লিবা অসিগী মতুংদা কিয়োংগী আর্কিটেকচরগী মহৈ-মশীংসি লৈহৌরে, হায়বদি কিয়োং শাবা হৈবা মী লৈহৌরে/লৈরে হায়বনি। কিয়োং শত্রবা হৈরিবা মীশক/মীশকশিং অহু — (১) হান্না লাক্লবা কিয়োং আর্কিটেক অসিগা লাকমিন্নবা, লোইনরকপা অরা/মাম্মা মচা ওইরম্বা য়াই, অহুবু মহাক অয়ুক মরৈবাক্তা হনখিদ্রে; মৈত্রবাক্তা থুন্দাখ্রে, মৈতৈ

ওনথ্রে/ওইথ্রে, বমিজ মচানি হায়বা য়াদ্রে নৎত্রগা — (২) হান্নগী কিয়োং আর্কিটেক অত্থুনা— (A) তম্বীরম্বা মহৈরোই/ছাত্র/সেবক (Student/Disciple) নত্রগা (B) মহাক্না থবক শুবত্থুদা য়াও-হৌ-তুংইনহৌবদগী খঙহৌ-হৈহৌবা—(a) মৈতৈ ওল্লবা (i) কবো মচা, মৈতৈ কবো-মচা (খুদম ওইনা, থাঙজবা চেকশা/চক্রপানী গুম্বা : Shan/Tai ethnic people converted into the Meitei/Mei-Tai, man of the Tai) নৎত্রগা (ii) অৱা-মচা, মৈতৈ-অৱা-মচা (খুদম ওইনা, গ্রামন অঙোম-শাগৈগী নুপা অমা/অনি : Mramma/Myanma/Kan-ran/Khami etc. ethnic people converted into the Meitei) নৎত্রগা (b) মৈতৈ-মচা কোনশেং (The native people/man belonging to one of the seven Yeks or colour totemic clans of the local ethnic people known under the title, of the Meitei) ওইরম্বা মাই। মরম অসিনা অৱা-মচা চেকশু-চেকচনগী মিস্ত্রীদা/মিস্ত্রীশিংদা বিষ্ণু-লাইশঙ, লমাংদোংগীসি শাবগী মমিং/মিংচৎ পীবগী মহুত্তা মৈতৈ-মচা চেক্কী শীনশু-খুৎহৈবদা মমিং পীবসিনা শাফগনি।

ৱারোয়-ৱাতেম

মনিপুরগী লমাংদোং/বিষ্ণুপুর/বিশেনপূরগী বিষ্ণু-লাইশঙ (Visnu Temple of Bishenpur, Manipur) সি ইন্দিয়া গোভর্ণমেণ্টকী সেন্ত্রেল আর্কিওলোজিকেল ইষ্টিটুসন, আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (Archaeological Survey of India. A.S.I.) গী প্রোটেক্সন অমস্তুং প্রিজার্ভেসনগী মখাদা খৃ: ১৯৫২ দগী চঙখ্রবনি। মসিগী মরমদা অকুপ্পা মরোলশিংগা লোইননা পীবীরম্বা মীয়ামদা লাউথোকপগী ৱারোলগী ৱা মচঙদি :—

OFFICE OF THE MINISTRY OF EDUCATION (ARCHAEOLOGY)
GOVERNMENT OF INDIA

No SR.O./2843 Delhi, the 4th Nov. 1952

The Government of India is satisfied to declare under Sub-Section (1) of Section (3) of the Ancient Monuments Preservation Act, 1904 (VII of 1904) that the temple of Visnu at Bishenpur, Manipur as protected as per Schedule bellow ;—

SCHEDULE

1. Mauza Circle : No IV, Bishenpur Tehsil.
2. Description of the monument: The temple of Visnu at Bishenpur.

3. Survey Plot : No 1148.

4. Area in acre : 6·06 only.

5. Ownership : 1 Laisram Ningol Ningthoujam ongbi Rajani Devi w/o Asangbi Singh of Bishenpur-Kha,

2, Laisram Irabat Singh s/o the late Modhur Singh of Bishenpur-Kha.

6. Boundary : N. Plot No, 1149—Foot-path.

S. Plot No. 1147—Ningombam Mangol, widow of Bishenpur-Kha.

E, Plot No. 1156—Food-path.

E. Plot No. 1290 Laisram Madhu Singh

E. Plot No. 1407—Fanjoubam Paka Singh.

W, Plot No. 1145—Nongmaithem Yaima Singh

W. Plot No. 1146 Laisram Thamboumacha Singh,

অসিনি। হায়রিবা ইন্দিয়া গোভনমেন্টকী ডিক্লেরেসন অসি ইন্দিয়া গোভর্ণমেন্টকী গেজেট্ট (Gazatte, Part II-Section 3) তা থা অহুগী তারিক ৮, হায়বদি নবেম্বর ৮, ১৯৫২ দা ফোংদোক্লুনা পাউয়েনখি। হায়রিবসিগী মমাঙ-মতুংদা লাইশঙসিবু ঙাক-শেন্নবা লৌথংখিবা মনিপুর গোভর্ণমেন্টকী ব্লারোলশিংগী মরক্তগী লৌখৎপা য়াবা ব্ল মচঙনা—

THE MANIPUR ADMINISTRATION SECRETARIAT (REVENUE)

GOVERNMENT OF MANIPUR

No. R/7/52/266 Imphal, the 6th Dec. 1957

The Chief Commissioner of Manipur is pleased to declare under the provisions of Section 6 of Act I of 1894 (Land Aequisition Act, 1894) that the land within the boundary described below measuring more or less 1 B. 4 K. 2 L. in the Village Bishenpur would be taken by the Government at the public expense for the preservation of the ancient monument Visnu temple at Bishenpur. The land in question was accordingly acquired for the said purpose.

SCHEDULE

North —Village foot-path.
South — Mangol Devi's Bari Land.
East —Village foot-path.
West—N. Yaima Singh's & N. Amusna's Bari Land.

অসিনি। অস্নুম্না মীয়ামদা লাউথোকপা অসি মনিপুর গভর্ণমেণ্ট-কী গেজেট্ট .(Gazatte No. 71, Imphal, Wednesday, December 11, 1957, Agrahayan 20, 1879) তা ফোংদোক্তুনা লৈপাক মীয়ামদা পাউজেন্দুনা খঙহনখি। হায়রি-বশিংসি হৌজিক-হৌজিকমক চৎনরি অত্থবু বিষ্ণু-লাইশঙসিগী শারকখিবা, শ্রীবিষ্ণু লাংলকখিবা অমসুং লাংলম্বা, লাইশঙসিগী য়ুমশা শঙশ্যারোনগী ওইবা মওং-মতৌ অমদি ওংদা-কাইদা, শারম্বা য়ুমশা-শঙশাবা মী/মিস্ত্রীনচিংবগী মরমশিংদা চম্মম-চনৈন্-বগী অমংবা নোংগী মপৈনা কুপশিন্দুনা লৈরি অমসুং থম্লি। মরৈ-পাক মুংশিবা, মরৈপাক্কী, মজাতিগী অমসুং মশাগী মপোংপু, মরলবু হেন্না রাংহন্নীঙবা, লৌহন্নাঙবা অমসুং ফহন্নীঙবা হায়রিবশিং অসিদা মিত্রং অমমমদি মম্বাওরে, মত্থনা খুন্নাইদা, খুন্নাই-মচা-শিংদা চৎনরকৃপা অমসুং থায়নদগী/মমাঙঙৈদগী হায়নরকপনি হায়থুনা রারী কয়ামরুম লাই-তীনগী ওইবা (Myth & My-thology), লাইওই-তীনওইবগী ওইবা (Legend & Leger-demain), লাইনীঙ-থুজীন্-থৌরাংগী ওইবা (Wishfully religious generative invention), লাইনীঙলোনগীদমক ওইবা মহৈ-মশীংগী ওইবা (Academic/scholastic theologi-cal invention), লাইনীঙলোনগী লৌনমগী ওইব (Decep-tive theological school of philosophic myths & legernds) নচিংবগী মতমগী ওইনা ঈমায়থক্কা তাউথৎনরকই। মথোয়না হাইফেত্তং কুপখিবা নোংথাঙবু অমসুং অপাইবা লৈচিনবু নোংশিংকী অমসুং মুমিংকী মঙান্না মওং-মতৌ অমসুং মচু-মমেন্ ওনহন্নীঙবা-ওইহন্নীঙবা হোংহনবগুম ওইহল্লি। অত্থবু শাকুনা

অচুম্বা চৎপা অমসুং অশেংবা হায়বা মীশিংদি থক মীনমদে হায়ৰ-সিমদি চুম্লবনি।

লমাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙ অসিসু মীওইবগী খুন্নাই অমদা লেপ্লিবা, মীনা শাবা, মীনা তৌরম্বা থবক্কী মহৈ ওইবনিনা মীখুৎ চঙদবা অমসুং মীহু চাদবা হায়বত্তুসু থক ওইদে, তৌইগুম্ব-সুং লাইশঙসিনদি মশানা মশাবু মীনমজদে অতুবু মশানা মশাবু মীনমজবা মীওইবনদি ম.সিবু লৌনম তৌবীরী। অতু ওইনসু মৈবু ফিনা কুপ্‌পা য়াদে, মরমদি অচুম্বা হায়বসিদি ঈশ্বর/য়াইবীরেন মহাক মশামক অতুনি, মহাক অমা লৈ হায়বসিদি মীওইবনা হেক ৱাখল তারকপদগী নীঙনরক্লবনি। মরম অসিনা বিষ্ণু-লাইশঙ-সিগী অচুম্বনি-অশেংবনি হায়না থঞ্জ-লৌজবা ৱারোয়-ৱাতেম ৱারোলশিংতু মথাদা পরেং লেংজরি:—

(১) লমাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙসিদা লাৎলম্বা বিষ্ণুসি পোং (Pong=Mao-shan/Tai-Mao ethnic people capitalized at the present town of Mogaung, administering a State/Principality in the dominion of the Shan States of the 15th century A.D. নিংথৌ চৌফা খেখোম্বা/খেকখোমবা [Chou/Chao-Hpha/Hpa Khek-Khomba (Chao/Sao Ngan-Hpa) গ্নামহাক মশানা মৈতৈ-গী মবুংঙো কিয়াম্বা/ক্যাম্ব (চৈ. কু: ১৪৬৭-১৫০৮) দা পীরম্বনি হায়বা 'য়াই' (A gem or Jewel) অসি পোং নিংথৌ মচিন-মনাউ অনিগী ময়াম্বা মহিপাল (চৈ: কু: ১৯৮৯, ১১৪) না মৈতৈ-গী মবুংঙো গরিবনিৱাজদা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইনি হায়-জুনা কুচুদা খৃঃ ১৭৪০ (শক ১৬৬২ গী ঈঙেন থাগী নোংমা পানবা)

দা পীরম্বনি (মথক্কীসিদা. ১০২)। য়াই অসিন মোহর ৮০ না শাবা স্নাগী কাগোক, তথেন খুম্ন শাবা অমদা হাপ্পুনা পীরম্বা মাল্লি (মথক্কীসিদা, ৪২৮) অদুবু অরানবা পাউ শন্দোকপা পান্বা থরগী কলম মচীন্দগী তোকঙানা ময়ামদা অশেংবা ঈ পাউনা মতায়দা থম্বগী, থায়নগী চংনবী শাবগী মরুমদা নাথৈথিবশিংগী মচীন মেল্লুবা য়াদে, মখুং ফারুবা ঙমদে, মরমদি ডিমোক্রেসীগী সিটিজনসিপকী ফান্ডামেন্টেল রাইটনা পীবি "ফ্রিদম ওফ প্রেস, স্পিচনচিংবা"।

(২) মনিপুরদা বিষ্ণু-লাইশঙসিগুম্বগী য়ুমশা-কৈশাবু কিয়োং কৌবা/হায়বা খৃঃ ১৭০৬ তগী হৌরগা খৃঃ ১৭২৮ গী মতুংদগীদি মসিগী য়ুমশা-শঙশারোনগী ওইবা মওং-মতৌসিবু অমসুং ওংদা-কাইদাসিবু য়ুমওং শঙওংগী লৈতেং ওইনা থমগ্রগা (মথক্কীসিদা, ১১৩) হাননা লাইশঙবু খঙনরম্বা রাহৈ/মমিং 'ফুরা' হায়বসিনা খৃঃ ১৭২৯ অমসুং ১৭৩০ দগী 'লাইশঙ' হায়বসিগা লোইননা খঙনরকখি (মথক্কীসিদা ৯০)। মতুদগীদি রাহৈ/মমিং অনিসিগী মরক্তগী হায়নীঙবা অমা হায়রগা চেকশঙ-লাইশঙশিংবু খঙন-রকখি।

(৩) মনিপুরদা কিয়োংগী য়ুমশা-শঙশাগী চেকশঙ-লাইশঙ থাইদগী ঈহান হান্না শাগৎখিবসি চৈথারোল কুম্বাবগী ঈ-পাউগী মতুং ইন্না খৃঃ ১৭০৬ তানি (মথক্কীসিদা, ৭০)। মরম অসিনা বিষ্ণু-লাইশঙ অসিবু শাবগী মতমসি খৃঃ ১৭০৬ সিদগী ঙনথৎহন্নবগী মরম চাবা খুদম চাংদমগা কোন্নবা, শোগৎনবা মচাক শুপলৈ লৈতে। ঙসি-ঙরাংগী লোন্দা-পুদা য়াওবা লাইরিক থরনা চানবুঙ-চীনফাদা পুথরকগা চংনবীগী মনাৎ শাহুনা পঙইদা

ইশিনবত্থ মেটরিয়েল কলচরশিং, কলচরেল মেটরিয়েলশিং অমস্তুং মৈতৈ-হিন্দু লাইনীঙলোন্গী অচুম্বা ইতিহাসনা পার্মিসন পীদে।

(৪) বিষ্ণু-লাইশঙসি শারিবা পোৎচাক "চেক" অসি শাবা মনিপুরদা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম (খৃঃ ১৫৯৭—১৬৫২) সিদা অত্থগা চেক্কা শাবা শঙ, চেকশঙ, চেক্কা শাবা লাইশঙ 'ফুরা' লাইয়িম/লাইয়ুম শাবস্থু মৈদিংঙুসিগী মতমদা হৌদোকখিবা ঙাক্তনি হায়না চৈথারোল কুম্বাবনস্থু চুঙ ওইনা লেপ্লি (মথক্কীসিদা, ৩২, ৩৬)। অত্থগা বিষ্ণু-লাইশঙ শাবদা শীজিন্নরিবা চেকশিংসি অথেংবা মতম হায়বদি খৃ: ১৭৪০ গী মতুং খৃ; ১৮১৮ গী মমাঙগী মতমদ শাবা চেকশিং ওইগনি অত্থবু অকোনবা-অকোয়বা চেক মচা খর লাইশঙসিগী মন্থুংগী ওইবা মওংমতৌদা য়াওরিবা/শীজিন্নরিবশিং অসিগীদি অশেংবা মতম লেপ্পদি ঙমদে অত্থবু ঙল্লবদা খৃঃ ১৭৫০ গী মতম, মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা রামনগর থাঙমই/থাঙব্রাই হৈঙাং কোন্নুংদা পানবা/লৈবা মতম খৃ: ১৭৫০ (মথক্কীসিদা, ১১৯-২০) অসি য়ৌগনি হায়বসিমদি থাজবগী ৱাংমদা লৈ, থিজিন-হুমজিনবগী মথাদা থমজরি।

(৫) বিষ্ণু-লাইশঙসি, অহানবগী মমিংদা ঙাঙোম ফুরা কৌরম্মী হায়, ঙাঙোমসিদি লোম্থৈনিনা, য়াম্না থেংনা ইবীরম্বা 'ঙাঙোম ফুরা' পুরান/পুয়াসি কুপথবা মিৎয়েংদা চঙখোন্না থিজিন-হুমজিন্দুনা য়েংবা, স্ত্রুটিনী তৌবদা খৃ: ১৯৫০ গী ঙকুয়া নত্তগা মতুংদা কনাগুম্বা অমনা হায়জবদগী কনাগুম্বা অমনা ফমুংদগী শুংবা মাল্লি, ৱাহৈ-ৱাতা, লোন্দা-পুদা, খবের্ান/বনানগী পথাপনচিংবনা য়াদে, অইবা হায়বসি মগুণ চাওই, তোম্বাচাওবা, মতম-মতমগী পোৎ পুথোকই। অত্থনা বিষ্ণু-লাইশঙসিগী

লৈফমসি ঙাংঙোমগী ঈংখোন্দা লৈরম্বা য়াই, ঙাংঙোম্না শাবরা, শাদয়রা হায়বত্তুদি হায়জবা ঙমজদে, মরমদি বিষ্ণুদি খৃ: ১৭৭৭-৭৮ অতুরাইদগী নিংথৌ'-লাই ওইরক্লম্বা য়ানা লৈরি, লাইয়িংথৌ সনামহীগা লাংমিন্নরকই হায়রি চৈথারোল কুম্বাবনা (মথক্কীসিদা, ৩১১) অতুগা লোজীক অমনা গোবিন্দগী প্রসাদী/লুকমন সনামহীদা লুক চল্লি হায়রি (রা:কু: সঃ, ১৯৮০, ৭১)।

(৬) লম্মাংদোংগী বিষ্ণু-লাইশঙসিদা বিষ্ণু লাৎপা হৌরপসি খৃঃ ১৭৭৮ গী মতম অতুরাইদা ওইরম্বা য়াই অমসুং লমাংদোংবু বিষ্ণুপুর থোনখিবস্তু মসিগা মরী লৈনবনা বিষ্ণুপুর থোনখিবগী মতমসিস্থু মসিগা থংমুন-নাউমুন ওইগনি।

(৭) বিষ্ণুপুর/বিশেনপুরগী বিষ্ণু-লাইশঙসি শাথিরম্বা য়াবা মতম অসি, ঈশানা-ঈশাবু মীনম্লোয় হায়না রাশক্লগা হায়বগী মহুত্তা ঈশাগী ঈকাই খুম্নববু ময়েং তাহল্লোয় হায়বসিদং পুক্নীঙদা লেপ্পীরগা মৈতৈ সমাজ/খুন্নাইগী লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী, খুন্নাই-লাইনীঙলোনগী অমসুং শেনকা-শেনচংলোনগী ইতিহাসতা মিৎয়েং থম্বীরগা হায়বী-তাকপীরকপা তারগদি পুমচুম্মক চুমদ্রগস্থু অচুম্বগী মনাক থর মথেদি মনক্লগনি হায়না থাজজে। চাবা তুমদ্রবা ফিলোসোফী, মিত্তা উৎ চায়রিবা হায়নবী-চংনবী মানহনবা থায়নগী রারোল, মোম্ব্রং শানবা হৈবগী অয়াঙবা রাথল, নাকোঙনা তাবগী ঈ-পাউনচিংববু তুংদা থম্বীরগা মতম লেপপীয়ু বিষ্ণু-লাইশঙ শাথিবগী। থন্ন-নৈনবগী পন্‌গোয়নুং অসিগীদি মথক্কী রারোল ময়ামসিদা তোংজরগা লৌগ্গরিবা মতম তাংকক্তি খৃ: ১৭৭৬-৭৮ গী মতম অসিদনি।

(৮) বিশেনপুরগী বিষ্ণু-লাইশঙসি চেক্কী মথোন্ অনি-থক্তুগী ওইবা মথক য়ুমথক্লা চেক্কী ডোম/কিয়োংনা কুপ্পা, লমজঙ-শঙতপ্পা থা মায়কৈদা লৈত্নুনা লাইশঙ-মায়ওন থা মায়কৈনি তাকপা কিয়োংগী মওংদা "ফুরা" নত্রগা 'লাইশঙ' হায়না লাইমিংগ নত্রগা য়ুম্নাক মমিংগা কোম্নবা লাইশঙনি। লাই-শঙসি মন্নুং-মপান অনিমক মরাক-ময়ুংনা চীথেক মরি নাইবা লাইশঙনি। লাইশঙ মন্নুংগী য়ুমশা-শঙশাদা চেক্কী অকোনবা/অথোয়বা মকোনগী কাক্কি ফৈরেন মানবনা মথক্কী ডোম/কিয়োং-গী অকোয়বা য়ুম্ফম (Base) পুবা লাইশঙনি। লাইশঙসিগী য়ুম্ফম মশারোমদা ভামশিন্না মরাক-ময়ুং মান্ননা চীথেক ৪ নাইবা, মতুগী মথক্তা অমুকম্তু মশারোমদা পৈশিন/ফৈজিন ভামশিনবা চেক্লোন্না মথক্লোমদা পুখৎপা শঙখোঙ ফম্বাক লৈবা অমস্তুং ফম্বা-ক্তুগী মথক্তা চেক্কী মরেপ্পা হেনবা; মতোন অতিয়াগুম কোন্থবা য়ুমথক্লা মকোক কোক্লেন; মতোন-তোল্লেন ওইবগা লোয়ননা লেপ্লিবা লাইশঙনি। লাইশঙগী লমজঙ-শঙতপ্পা মশাগী শরুক মরাক-ময়ুং নাইবদা ময়ুংনা হেন্নবা, মথক-য়ুমথক্লা লাইশঙ-শঙলে-নগী য়ুমথক্কী মওং-মতৌত্নমক্তদা ময়ুংনা হেল্লপ কোয়বগী অকোয়বা খুৎকোয়ত্নগী ডোম্না কুপ্পনি। লাইশঙ-শঙলেনগী ফক্লাংশিং পুন্নমক কাহেন্না থাবা; ফক্লাংদা হুৎস্তু হুত্তনা হুৎপা মানহনবা থোঙনাউ অহুম, খারোমগীদা অমা অমস্তুং মতুগী নাকন য়েং-ওয় ওইরিবা মায়কৈ অনিদা মায়ওল্লোমগী শাজিন্নবা থোঙনাউগা ব্রাংবদদি মান্নবা, শাংবা/ময়ুংদকি মান্নদবা থোঙনাউ মতৌ মানহনবা অশেং-বদি নত্তবা থোঙনাউ অনি পানবা মওং-মতৌগীনি।

(৯) বিশেনপুরগী বিষ্ণু-লাইশঙ, মনিপুর অসিগা মান্নবা

য়ুমশা-শঙশারোনগী ওইবা লাইশঙ, শঙলেন নত্রগা শঙ অমতা ইন্দিয়া মনুংদা য়াওদে। মসিগী য়ুমশা-শঙশাগী মওং-মতৌ অমসুং কাইদা-লাক্তা ইন্দিয়াগী য়ুমশা-শঙশারোনগী মহৈ-মশীংদা নংত্রগা লাইরিক-লাইশু (Indian Architectural Art and Scriptures/Books) দা য়াওদে অমসুং ইন্দিয়া অপুনবসিগী মনুংদা মতোমতমক ওইবা/লৈবা, নাইতোম তোমধীন ওইবা লাইশঙনি।

(১০) লাইশঙসি য়ুমশা শঙশারোনগী ওইবা, মওং-মতৌ অমসুং ওংদা-কাইদা অসি ম্যাম্মারগী হিন্দু লাইশঙশিংগা চপ মান্নবদা ম্যান্মার বুদ্ধিষ্ট আর্কিটেকচরগী স্তুপা অমসুং প্যাগোডাগী মথলগী (Stupa and Pagoda-type of Myanmar Buddhistic Architecture) ওংদা-কাইদা (Style) থরম্লু য়ানশিল্লি। অসিগুম্বা য়ুমশা কৈশারোন, মওং-মতৌ অমসুং ওংদা-কাইদাবু ম্যান্মারদা কূ/ক্যাউঙ আর্কিটেকচর (Ku/Kyaung Architecture) হায়না খঙনৈ।

(১১) ম্যান্মারগী টেম্পল আর্কিটেকচরগী ক্যাউঙশিংবু মৈতৈনা কিয়োং হায়না কৌনবনিনা লম্মাংদোং/বিশেনপুরগী বিষ্ণু-লাইশঙ অসি মৈত্রবাক/মনিপুরদদি কিয়োংগী য়ুমশা-শঙশা অমসুং য়ুমশা-শঙশারোনগী মওং-মতৌ অমসুং ওংদা-কাইদা (Kiyong Architecture and Architectural Structure/Building/Temple and Architectural Style) হায়না মিংথোনবা অসিনা শাফগনি অমসুং কোমগনি।

অসুম্না বিষ্ণুপুর/বিশেনপুর, মনিপুরগী বিষ্ণু-লাইশঙগী রারোয়-রাতেম লাকপসিদা লাইশঙ অসি শাখিবা য়ুমশা-শঙশাবা মী, খুংহৈ-শীনহৈবা মিস্ত্রী/মহাক অহু মৈতৈ মচা মশেন্নি।

মৈতৈ ঈপা-ঈপুগী ৱাহৈদা— "মৈতৈ মচাদি মখুত্তা মথীবোঙ পাল্লি'' অমসুং ওঝানা তম্বীবদি থিত্তনি মশানা হৈজবনা অয়া-স্বনি' হায়বত্নগী খুদম পীত্নুনা লেপ্লিবা লাইশঙ অসি অমসুং মহাক্কী মচীন-মনাউশিং— (১) ব্রহ্মপুর গুরুঅরিবম লৈকায়, ইম্ফালগী মদনমোহনজী, কৃষ্ণগী লাইশঙ, (২) ব্রহ্মপুর নাহাবম ফুরা মখোঙ, ইম্ফালগী লৌবুকতোংবগী শ্রীকৃষ্ণ-লাইশঙ, অমসুং মোংবহনবা/মহাবলী উয়োক/উমং, ইম্ফালগী হনুমান ঠাকুরগী লাই-শঙ, মখোয়গী য়ুমশা-শঙশারোন মহৈ-মশীং, য়ুমশা-শঙশাসি ম্যান্মার/অৱাগী থুংহৈ-শীনহৈবনা তম্বীরম্বনি, মখোয়গী আর্কিটে-কচর ষ্টাইলনি। বাইজেন্টাইনশিংনা হৌদোকপা অকোনবা ফৈরা (Arch) শিংনা শেম্বা ফৈরেন কাপ্পী (Pendentive) পু-ত্নুনা শীজিন্নরুই হায়ত্নুনসু য়ুরোপকী রোম, গ্রীক্সনচিংবা লমদমশিংগী মচাশিংনা পুরিবা অকোয়বা মকোয়-তংখায় (Hemispherical or Half Spherical dome) না য়ুমথক কুপলিবশিংগী অকোয়বী মকোয়-তংখায়গী ওংদা কাইদাসিগী লৌনরিবা ৱাথল্লোন থৈম্লে— য়ুরোপলোমগী মালেমগী মথক্তগী উপথরক্লিবা মীওইবগী কল্পনা/ ৱাথলগী লাইশিংগী লৈফম শ্বর্গ/লাইরৈপাক (Heaven)না লৈরিবা নোংদোন (Sky) নি (E.T., 1992, 335)। অত্নুগা ম্যান্মার-নচিংবা এসিয়াগী লৈপাকশিংনা লৌরিবনা গৌতম বুদ্ধগী অশিবা হকচাংগী লেমহৌবশিংগী য়ুফম-লৈপুঙ অমসুং মহাকী কোক্কী শরুক অমদি শমগী মওং-মতৌ (Ushanisha : Head-geared hair style) অসিনি (Ibid, 21)। মরম অসিনা মনিপুরগী কিয়োং য়ুমশা-শঙশা মথলগী মওং-মতৌ অমসুং ওংদা-কাইদাসি অথাপ্পা নোংচুপলোমগী নত্তে, অনকপা নোংপোক্লোমগীনি।

B. Kulachandra Sharma
5-2-1998, 4 p.m.

মরী-মখোঙ তাকপা লাইরিকশিং

১। খো: প; ১৯৯৭ = খোংনাংথাবা প্রেস লমলোং কৈথেল ঃ থাইনগী নিংশিং থুদম অমসুং শারম্বগী মণ্ডং-মতৌ (সেমিনার পেপর), ইম্ফাল —১৯৯৭।

২। চৈ: কু: ১৯৮৯ = লাইরেনময়ুম ৺ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ : চৈথারোল কুম্বাবা, ইম্ফাল—১৯৮৯।

৩। রা: কু: স: ১৯৮০ = রাজকুমার সনাহল/আমিনস্না/গুনেশ্বর সিংহ: মনিপুরগী গোবিন্দ নিপ'ন, ইম্ফাল—১৯৮০।

1. A.S.I., 1984 – Archaeological Survey of India. Ancient India, Bulletin No. 6., New Delhi—1984.

2. B N L. 1988-89-B.N. Luniya ; Life and Culture in Ancient India, Agra —1988-89.

3, E. T, 1992—Edith Tomory : A History of Fine Arts In India and The West, Madras—1992.

4. G. L., 1986—Gosta Liebert : Iconographic Dictionary of India Religion, Delhi—1986.

5. J. B. S., 1984—J. B. Sykes : The Concise Oxford Dictionary of Current English, Bombay—1984.

6. K. M. 1983—Krishna Murari : The Cultural Heritage of Burma, Delhi—1983.

7. K.V.S., 1972—K V Soundara Rajan : Indian Temple Style, New Delhi —1972.

8. M. B., 1963—M. Bhattacharyya : Gazetteer of India—Manipur, Calcutta —1963.

9. M. M. 1983—Mutua Museum : Bulletin No. 3, August, 1983; Manipur Temple Architecture, Imphal —1983.

10. P.B.,5—Pery Brown : Indian Architecture : Buddhist And Hindu Period (5th Edition).

11. R. K. S. N. D—Radhakrishna Sachadeva : Gouraba Hindi – English Shabdakosha, New - Delhi not dated.

12. S. N. C. 1984 – S.N. Chowdhury : Mulberrey Silk Industry, Shillong—1984.

13. V.S A. 1993 – Vaman Shivram Apte : The Student's Sanskrit English Dictionary, Delhi—1993.

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মগী ফোংখ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (১৯৬৮), ২) চরিক পরেং (১৯৬৯), ৩) য়ুগী পাত্রদা তশবীর (১৯৭০), ৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (১৯৮৯), ৫) থাঙমইরোন (১৯৮৯), ৬) সনামহী পুয়া (১৯৮৯), ৭) মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম (১৯৯১), ৮) মৈতৈ বামোন হৌরকফম (১৯৯১), ৯) মনিপুরগী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং (১৯৯৬), ১০) নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমা মপা থিবা (১৯৯৬), ১১) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাং লৈমা থাঙ্গপাৎ (১৯৯৬), ১২) ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (১৯৯৬), ১৩) মৈত্রবাক্কী খুন্থোক-খুন্দারোল (১৯৯৭), ১৪) চীঙঙা লাইরেম্বীগী পুৱারী (১৯৯৮), ১৫) মৈত্রবাক মনিপুরগী ফুশা-ৱানশারোন (১৯৯৮), ১৬) খুমন নিংথৌরোন লম্বুবা (১৯৯৮), ১৭) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী ৱায়েল-ৱাখুন (১৯৯৮), ১৮) মৈতৈগী শা-লান ফাবগী থৌরম খর (১৯৯৮), ১৯) সনা চহি অহুম (১৯৯৯), ২০) **Typology & Technology of Meetei Writing Materials (1999)**, ২১) মৈতৈগী মচুগী মনাৎ (২০০০).